ইনুং লৈমা

[illegible] সোরোকখাইবম



ইনুং লৈমা

(অহানবা পন্দপ)

[illegible]

[illegible]

INUNG LI IMA

A, Manipuri Flok Drama
by Biren Sorokhaibam
Keishampat Mutum Leirak, Imphal

ফোংজবিবা : অহান্বা, ইং ২০০২ লংবন

কোপী : ১০০০

মমল : Rs 120

ছক : অইবা

মখুম :

নম্ফম : লমযানবা প্রিন্টার্স, কোনুং লমপাক, ইম্ফাল।

কথোকচবা

চেংলৌ শকখণ্ডজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অইনাশিংগী মফমদা কচ্চবি ঐগী ফোক ড্রমা ইনুং লৈমা।

বীরেন সোবোকখাইবম

ড্রমাসিগী মীকোকশিং

নুপাদা ঃ

১)	খোংভাবেন	চহি	৬৫
২)	খাংজিং	চহি	৬০
৩)	কোংলেনহনবা	চহি	৫০
৪)	শাম্বা নহা লমগাম্বা	চহি	২৫

নুপীদা ঃ

১)	ইনুংলৈমা	চহি	৪০
২)	অযাংলৈমা	চহি	৪৫
৩)	মোম্মুতোম্বী	চহি	৪২
৪)	যাইঁদং কোনু	চহি	২০

অহানবা শরুক

মফমঃ খম্নুং লৈবাক

মতমঃ নুংথিল

(থোংঙারেনগা ইনুংলৈমগা বারী শানদুনা লৈ)

থোংঙারেন ঃ ইশানৌ করি য়াবানো
চিংনদনা পায়মা নুংদা
নশাবী ওইবা ঐঙোন্দা
পাউদম্মুদো য়াবা শেংনা।
নশাবী ওইবা ঐহাক্তি
কোয়ৌ নুমিৎ খুদিংমক্কী
থৌরম চিংনা য়াম্নাসিনা
রাংলেন ঙাইহাক্তা নহাক্কা
নুংশি য়াবা পাউমেন্নবা
ঙমখিদ্রেদো ইশানৌ ও,
পায়মা পিবুক পেন্দ্রবরা?

ইনুংলৈমা ঃ (ওইননা)
পেন্দবা মঙা লৈজদে
ননাইনা হায়জনীংবদি
চঙী কুমজা কয়া অসে
ইশাবী মোংবা নবালযাই
লিংশাং শিংনা য়া।
খরায় থোঙ্গাল লা

থোংঙারেন ঃ অদুদা করি পেন্দ্রন
তাসি অদুক মহায়

ইনুংলৈমা : নশানৌ ওইবী ঐহাক্না
যাবা চিঙ্গোইনীংবমক্তি
অতৈ কবিসু নত্তেদো,
ওসি কোবৌ নোংজাসিদং
মালেম তাইবংগী ফজবা
মিংথেং শানখৈজনীংবনি,
ইশাবী ওইবা নহাক্না
খুজেং হংজি থায়না মক্তা
লমজিং লম্তাকপিবদুনা
মালেম মাগী নীংথিববু
য়েংজগেনে লাইনিংথৌ ও।

খোংভাবেন : (নোককফেং তৌনা)
যাবা লমদাং 'দুগীমক্তি
ইশানৌ ইবেম্মা নহাক
'খাযমা লীবৌবগনুদো,
নোংমতসু নচেমশিংসি
'সুম্না যাবা চিঙ্গোইবক্তি।
ইশানৌ 'তোম্বী নহাক্না
নশাবী ওইবা ঐহাক্না
তাইবংগী নীংথিবা য়েংবা
মালেম লৈকোই পুভদুদবু
খোঙদোইখিবা য়াংলেন্দুদা
কবিগুম্বা নচেমশিংনা
খঙখি উখিবা থোক্রসু
খোইখা লিনখা থাখিনিদো।

ইনুংলেমা : খোইখা লিনখা থাখিদৌবা।

খোংভাবেন : 'দুতসু নওে ইশানৌ
খোযুম লাইকপালেন 'পুম্বনা
গাখি উখিবা থোক্রসু

নশাবী ওইবা ঐহাকপু
খোযুম লাইগী লিচৎ চত্তে
তাইবং মীগী শাজৎ চৎলি
য়াবীনখিনি ইশানৌ।

ইনুংলৈমা : কওবিবব্রনে ইশাবী
নহাননোং কোবৌ অমদা
ইশাবী ওইবা নহাক্না
শবী য়াশকপিখিবগী
যাবা তুংইন্না ননাইনা
চিঙ্গোযজবনি লাইনিংথৌ।
লাইনিংথৌগী চিঙ্কমক্তা
অবংননা খুম্মী হাযনা
পাযমা নুংদা থনবীগনু।
বাংলেন্দুদা লাইনিংথৌনা
য়াশব পবে চনখিবদি
৩ পাম্বদা পিবীগনি
হাযজব্দা যানিগনি
হাকাপাখিবা যাবা'পুম্বা
কওবীবব্রনে ইশাবী।

থোংঙাবন : (মথন্ত শানবা)
চম্বা খুদিং যাগনি
বাংলেন্দুদা য়াশকথ্রনা।

ইনুংলৈমা : দুতসু নত্তে লাইনিংথৌ
লাইবমালেনগী থোইনৌ ওম্না
মালেম 'পুম্বা কোযনা
তাইবং মালেমগী ফজব
মিংলাং শানখেবে হিংমাদে

থোংঙাবন : ফবে ফবে ইশানৌ মা
নুবা পুক্নিং মক্তনবু

অদু যৌনা পলেপথদি
মোমনু ওইবী নথম্মোয়দো
নীংজবা পুম্বা থুংজরো।

ইনুংলৈমা : (হবাওনা)
ঙাংলৌ খাদা পুনেমজরি।

থোংঙাবেন : অদুগা লমদাং অমনা
অয়ুক নুংথিল থাংলেন্দদি
নশাবী ওইবা ঐহাক্তি
থৌবম চিংনো যাম্বসিনা
খোংদোই হুনবা ঙমলোইদৌবি।

ইনুংলৈমা : কবি কবম্বা থৌবন্নো
নশানৌ খঙজনীংইনে।

থোংঙাবেন : (খুদোনবী থিন্দুনা)
যেংঙুদো মাঙদা উব্বিবা
ত্রাইবং থবাযচা খিবীকসি,
অশি থবাযচা খবনা
খুম্বুংকোন লৈবাক যৌবক্রে।
পোম্বী থবাযচা খবনা
খম্বুংবোন শাবা যাংবী থক
নুংবী য়াইশৌ মবকসিদা
থবায অবা খুবৌ চলনা
লৈবিবসি উবেদ্দনা।

ইনুংলৈমা : নশানৌ ঐসু উজবে।

থোংঙাবেন : অমুকসু যেংঙু ইশানৌ
ঈবাই-ঈনিল, ঈপোম কন্না
ত্রাংথক লাইদা চেম্বিনা
লাইজ ঈপাক ঈবেনবুংগী
ত্রাইবং (.ত্রাক্খান থ'বরোমদা

পোইরৈ লমদম অতাম্বদা
থবায়চাশিং লৈরিবসি।

ইনুংলৈমা : (খওনীংনা)
তাইবং য়াইবীরেন থবায়না
অমন য়াইথোং কুপ্লকপদা
খম্নুং শারা তম্লকপদা
কবি খেন্নবা লৈবনা
লমদাং অসুম্না ওইবনো
নশানৌ ওইবী ঐত্তোন্দা
যাবা শেংনা পাউতাকপিয়ু।

খোংজারেন : অতৈ অমগী নত্তেদো
অত্তাই তাইবং নোংশাপান্দা
লৈরিঙৈগী বাংলেন্দুদা
তাইবংচা ওইবা মহাক্না
মানা মানা তৌজরুবা
থৌরম থৌদাং তুংইন্নবা
থবায় মিরেলগী পম্মুংফম
খেন্নরিবনি ইশানৌ।

ইনুংলৈমা : ঙসি কোরৌ নোংজাদগী
নশানৌ ঐসু খওজরে।

খোংজারেন : দুনা ইশানৌ ইবেম্মা,
নশাবী ওইবা ঐহাক্তি
অশি থবায় পুন্নমক্কী
বায়েন চৈবু পায়রুবনা
বাংলেন মিকুপ অমত্তসু
ইশানৌ ওইবী নহাক্কা
অবা নুংঙাই বারীননা
নুংশি পাউমেন্নবা ঙমদ্রে
বাবৌগনুকো ইশানৌ।

ইনুংলৈমা : ননাই নুবীনা খঙজবে
লাইনিংথৌগী সনা যাথং
পাযমা নুংদা পবৈজবে
অয়োন অবান ঙাকপিযুদো।

খোংঙাবেন : ইশানৌ ওইবী নত্তাক্কা
চৎসি মত্তাযববনিনা
চিক্কা ইঁচিক ঙম্নকনবা
ইনুংযাইগী বাংলেন্দুদা
লৈচিল নোংফাই মবক খাযনা
শেংলা মেবা ফিশেংনব
খোইমোম নাংথাং লেমা মানা
তগুপ তবং ঙানফোওলিদৈ
মালং নুংশিলা খোঙনেংনা
গুঙাই তাইবং নোংশাপালগী
মালেম মাগী। লেকোইপুঙদা
থাযথুঙলুবসি ইশানৌ।

ইনুংলৈমা : (হবাওনা)
ইশাবী ওইবা নংাক্কী
মাঙফদ্রবা সনা যাথং
লুবেন থক্তা থোঙ্গংচানি

খোংঙাবেন : যবে নবে, ইশানৌ ও।
থাংলেন অদু ঙাইবা ওইনা
নথৌ থৌদাং পাঙজকবো,
নশাবী ওইবা ঐহাকসু
চসি কোবৌ নোংজাসিগী
নাবম থৌদাং পাঙথোক্কবা
পোবম লিক্রম শাংলুখিগে।

লাইট ওফ -

অনিশুবা শরুক

মফমঃ মালেম লৈকোয়পুঙ

মতম ঃ অহিং নোংয়াই

(মপুং ফারবা মেরাগী থাবলনি, তাইবংচা ওইবশিংনা কাংথোল পাবল থক্তা নুংঙাইনা তুম্লি। থোংঙারেন অমদি ইনুংলৈমা অনিনা মালেম লৈকোযপুঙদা থুংলরে)

ইনুংলৈমা ঃ ইশাবী থুংঙো লাইনিংথৌ,
অশি থাযেনগী চুপ্পি মপু
লমদমসিগী কোলোয মিংলেন
নশানৌ ওইবী এরেঙোন্দা
লমলেন খৈনা তাকপিযুদো।
লাইনিংথৌ কনানা কোনবা
লাইবক্সী কনাই মকাইনো,
মালেম তাইবং উকপদি
নশানৌ পায়মা উনগোইনু
ইনৌ নৌইদা ইশাবী।

থোংঙারেন ঃ ইশানৌ নুবা ইবেম্মা,
পাযমা খোইজংনা তাঙ্গবে
লমলেন খৈনা শৈথাবগে।
যেলহৌঙৈগী মতমদগী
পোইবৈ লমদম লমনুংশিসি
লাইবী চীংজাও মাপলমর।
মবোল নাইনা ইকোয় বোয়না
নুংশি লমলেন লমদমনিদো।

নীংথিজবা লমদম অসি
নমু তাইবং তাবা য়াদা
লাইজ ঈশিং ঈনোৎ কানা
চহী কুমজা কয়ামুক্কি
লাইজা ঈশিং ঈরিখিবা।

ইনুংলৈমা : অদুদগীদি লাইনিংথৌ
করি করম তৌখিদুনা
মতৌ অসুম ওইরকপনো?

থোংঙারেন : মখা তারকপা ৱাংলেন্দা
চীংগু শিদবা লাইনিংথৌ
পাঙ্গলবা মাগী মখুৎশু
তিমেন লুম্বান লোওবদুনা
হাওবৈ খানা পাংবরোমদা
লোইবী চীংজাও থিনগাইদুনা
ঈতুংলম্বা লাইজ মখে
পোইরৈ মখা পাংবরোমদা
ঈথে পিদুনা চিথখি।

ইনুংলৈমা : মতুং তারকপা ৱাংলেন্দা
মতৌ করম লৈশেমখিবা
মরিক চুম্না তাকপিয়ুনে?

থোংঙারেন : লাইজ ঈকংশ্রবা তুংদা
থোয়ুম লাইয়াম কৌথদুনা
তাইবং লৈশেমদি জগোয়বু
লাইয়াম খিবিক শাম্নহনখি।
লৈনুং লোঙ্গাদি পাখঙবা
পাফল তোক্রেন লিশিং পানবা
তাইবং মালেম নোংখোঙ কোযবা
তবং লাইজ হিরেন হোনবা
শিদয়াই নাদয়াই পুশা

য়েননৌ চুপ্নি পায়বীরিবা
তাইবং কোনগী মবুথৌনা
হি-য়াই পুম্বা থম্লদুনা
পুমঙান ঙানখিবা লমলেননি।

ইনুংলৈমা ঃ দুদি ইশাবী ইবুংঙো
পোইরৈ লমদম অসিমক্তি
ইচম চম্বা নম্ব্রেদনা।

খোংঅবেন ঃ তাইবং মালেম লৈশেমঙৈদৈ
পোইরৈদি লমদম অসিবু
নমু তাইবং খুম্হোকলকফম,
মালেমগী কোক্রেন অহানবা
হান্না শেম্বা, হান্না লোইবা
পোইরৈ লমদমনি ইশানৌ।

ইনুংলৈমা ঃ নশানৌ ননাই ওইবীনা
পোইবৈ লমদমসিগী মতিক
মবম খিবিক তাজববু
পায়মা থৈনা পেঞ্জবেদা।
দুগা পোইবৈ অতাম্বদা
শুক্লা মুনা নোংদোল পক্লা
উবিবা লোইবী অসিনা
করি হায়না কোলোইনগে
চীংজাও মাগী মবম খিবিক
তাকপিয়ুনে চিখদনা।

খোংঅবেন ঃ অৱাং লাইনা পাংবরোমদা
পোইরৈ লমদম অতাম্বদা
শংলেন শংবান্না উবিবা
নোংমদোল খেৎনা ৱাংলবা
লৈচিল নোংফাইনা পাবপ্লা
মবোল নাইনা শিল্লদুনা

'ভৌবা ইন্নফি ইনগুম্না
উরিবা লোইবী চীংজাওসি
কৌব্রুবেন কৌবা চীংলেম্নি।

ইনুংথৈমা : (মথন্তা শোনবা)
ওম্থোক্না নীংথিজখ্রেদা!

খোংঙারেন : দুগা তাবোদা ইশানৌ
হাওবৈ খা পাংবা লমদমসে
চীংঙু শিদব পাঙ্গলবা
খানা চাওবা বাংব্রেন মানা
লাইজ ঈচাও ঈবাক তম্না
খা মাইকৈবু পানঙাকলিদো।
নোংচুপ হাবম পাংববোমদা
খোযুম লোযা লাকপনসু
নোংচুপ মীবান পনঙাকলিদো।

ইনুংথৈমা : (খুদোনবী থিন্দুনা)
আ। নোংপোক হাবম পাংবদা
লৈচিল নোংফাই থাংলদুনা
শাজিক খোঙনেৎফম ওইবিবা
থবা খোঙদাফম ওইবিবা
লোইবী চীংজাওসিগী মিংলেন
কবি হায়না কোলোইনগে
তাকপিযুনে সিমতগা।

খোংঙারেন : ইশানৌ নঙবু তাবোদো
লোইবীসিগী কোলোই মিংদি
শত্রোই লংমাইবু কৌইদো।
খোযুম শিদবা-শিদবী
নোংপোক নিংথৌ অপানবগা
খোইমোম নোংপোক পাম্থোইবীগা
চীংঙু অনিগী খুম্থোকফম

মশাইগোম্নিদো খঙহৌরো।
নোংপোক নিংথৌ অপানবনা
লাইনিং পবৈ চেৎনা লৈবা
লমদমনিদো ইশানৌ ও।

ইনুংলৈমা ঃ দুদি ইশাবী ইবুংঙো
পোইবৈবু লমদম অসিদি
থম্বাল থমচেৎ মকশুন্না
শলাইলেন কযাগী পুকোক
পাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংনা
শুম্ভোকলিবা লমদম ওইরে।
মালেম তাইব হাযবসিদি
ফজবনা নীংথবনা
মাগী শরুক ওইবোইরবেকো।

পাংঙাবেন ঃ অহানি ইশানৌ ও।
নহি পোপানগী ফজবরা
নীংথজবা হাযদুমখে
নমু তাইবং থুইবশিংনা
খোঙদাবিবা মালেমসিনা
পুম্নমক্কে হেনবানদো।
লাইরৈবাকো ফংঙ্গমদবা
নু ভাই-যাইফ কয়া অমা
হাইবং লেন্দা ফংলক্লনি।

ইনুংলৈমা ঃ লোইবী চৌখল মাপলমক্তা
পনকোযবগা লৈশেমন্নিবা
পোইবৈ লমদম লমনুংশিসি
অউবা কনাই পাযমানুং
শুমহৎতনিংঙাই লৈতেদো।

পাংঙাবেন ঃ ইনুংলৈমা ইশানৌ ও।
যাম্না দুমক অশেংবনি।

ইনুংহৈনেমা : 'বাংবা লোইবী লোকশানুংদে
ঈহল কন্না চেন্নক্রিবা
কন্না লাইজ ঈচেলসিনা
তম্পাক লমদম তন্নকপদা
থেক্লা খোয়না নাশোন পিক্লা
হাওরৈ খারোম পাংনা চেন্না
ঈরোং কয়াগী ঈতিনফম
পাক্লা ঈশিং ঈপাক ওইবা
লাইজথকী লৈরাং কয়া
ঙাঙনা ঙৌনা লৈশাং তম্বা
লমগী চেক্লা চা কয়ানা
শঙ্গু নাইনা চাক্তাবিবা
শমু খুৎনা শেন্না থমগুম
চীংদুম মচা কয়া কয়া
তুমপক তুমপক লৈবিবসে,
থাবল ফিঙৌ ফৌবকপদা
মালং লিবি খোঙদোইরকপা
অউবা কনাই পায়মানুং
শুমহৎনীংঙাইবু ওইরিবা
নীংথিজবা ঈপাকসিবু
কবি মিংলেন কোলোয়নগে
ননাইনুবীগী উনগোইনুং
নুংওনখ্রেদা লাইনিংথৌ ও।

থোংঙারেন : 'দুঙৈ অতিংঙা শিদবা
চীংঙু খোঙুম মশামক্লা
মালেমবু লৈশেন্নগে খন
মৈ ঈশিং নুংশিৎ লোয়ননা
লৈবাক অতিংঙা শেমখিদো।
মতুং তারকপা বাংলেন্দা
মালেম লৈশাসি শেন্নবা

তরং লাইজ ঈরোলনুংদৈ
লোইবী চীংশাশিং চিংখৎনা
মালং থক্তবু থমখিদো।

[illegible]লৈমা ঃ ইশাবী য়াবা তাবদি
পায়মা নুংসি তথকইদা।

[illegible]বেন ঃ চীংলেন চীংশাংশিং অসিদি
নোংদোল মালেম অনীগী
লংদাইফম্নিদো ইশানৌ।
লোইবী চীংশাং মাপল তাইব
ঈবম ৩রানিথোই পূনবা
মালেমদা অথোইবা চীংলেম্নি
মালেম লৈশেম্বা মহাক্তি
পালেম পক্লৌ ওইবনিদো।

[illegible]লৈমা ঃ মখা তাবীয়ু ইশানী
খঙজনীংবনা ননাউদি
পাযমা পুন্নিংসে লাঙতক্লে।

[illegible]বেন ঃ ইশানৌ নঙব্ তাবোদো
চীংলেন সনাজিং মথক্তো
শলাইলেন লৈমরেন নিংথৌ
নিংথৌ ফমবান লাংদুনা
খোযুম লাইযামশিংগী থক্তা
ৱাযেন চুম্পি পায়বদুনা
লৈমা নিংথৌ ওইখিদো।
মতৌ অসুম তৌরদুনা
মাইকৈ মবি শুংদাই নিপাল
পনভাক্রিবা খোযুম লাইগী
মশিন শিম্বাবুং ওইরিবা
লাইফম তিনফম শুনা লৈবা
লাইজ ঈপাক্সি ইশানৌ।

মাঙেম তাইবংদা লৈবিবা
তাইবং থবায় ওইবশিংগী
চরা নোংদম তম্বিবিবা
লাইনা থাবা ঈপাক্লিদো
কোলোয় মাগী নীংথিজবী
লোক্তাক ঈখে লাইবেম্বীনি।

ইনুংলৈমা : লমদাং অমনা ইশাবী
লোক্তাক লাইজ ঈপাকসিগী
মথা পাংবা মাইকৈবোমদা
নোংচুপ থংবা চীংখোঙদগী
লোক্তাক তোর্বান ফাওবদুনা
তাইবং চানা খুন্দাবিবা
শবোই ঙাবোই হম্ফু মাপল
যাংখংলোই মাপলমক সাওনা
উমংলাই চক্তম হম্ফুনা
হয়া-হযুম, শৈথাবরা
লমদম লমনুংশি অসিবু
কাবি মিংলেন কোলোমনদে
নশানৌদা তাকপিয়ুনে।

খোংঙাবেন : লোক্তাক লম্লেন লম্নুংশিগী
হাওবৈ খানা পাংববোমদা
তাইবং ফুন্না খুন্দাবিবা
পোইবৈ লম্নুংশি অসিদি
চীংঙু থাংজং কোইবেল লাইদি
খোযুম মানা বোনব লরি
লাংওন কয়া শাগোনফমনি
চীংঙু মাগী শাফু নি।
কেগে মোইবা, লৈবাকসিগী
শলাইলেনশিংগী পুকোকথক
লাইনিংথৌ লাইবম্বী কয়া

ঙাম্বোইবিবা লমদমনিদো।
চীংঙু থাংজিং মহাকমক্কা
ৱাযেন মপু ওইদুনবু
ঈংনা চিক্কা খুন্দারিবা
লোত্তাক 'পাক্কা খাবা শাবা
লৈবাক খুঞ্জাও লৈচাওবিবা
কেগে মোইবাং হাযবদুনি।

ইনুংলৈমা : পোইবৈ লমদম লমনুংশিসি
মিৎস্না মিৎয়েং শানখৈবদি
ননাইনুবী পায়মানুংদা
অপাম ৱাখল খঞ্জাননা
তিন্নাং খোইদাবকইদকো।

থোংঙাবেন : (যানিংদনা)
উম
অপাম ৱাখলনা মাংজৌনা
তিন্নাং খোইদাবকপদি যাই
দুবু ইশানৌ ইবেম্ম'
তাইবং মালেম তাযবসিদি
নমু পোংগী খুন্দা পুঙনি
খোযুম লাইশিংগী নত্তেদে'।
নঙ এৗগী শমুং মপোক্কা
মালেম লৈকোইপুঙ আসদ
হিংবা যাবদি নত্তেদো
নমু তাইবং মপোক্তদা
লাংওন্নবদি যাগনি।

ইনুংলৈমা : (খুদোনবী থিন্দুনা)।
আ।
অবা' পোইবৈ 'তাম্বদা
লোইবী চীংশাং নাপোমশিংনা

শমুনতান তাবগুম্না
ছইথ লেংথনা নৈরিবা
পামেল উরাংমৈ কয়ানা
লম্না লম্না হৌরিবা লম,
উরি বারীদি কয়ানা
শয়োম শানা য়োমশিল্লিবা
চাংয়া তময়া অনীসিগী
লংদাইফম ঈবেনপুঙসিদা
লোইবী নাপোম চীংশাংশিংনা
লেংথ ছইথনা তাবিবা
নুংশি লমদম লম্নুংশিসি
কবি হায়না মখঙনগে
খঙজনীংইদো ননাইনা।

থোংঙারেন ঃ পাংম্না খোইজংলো তাজবো
পোইবৈ লমদম অতাম্বদা
লোইবী চাংশাং নাপোমশিংনা
শাম্বু নতান শাবগুম্না
ছইথ লেংথনা উনিবা
লমদম মাগী কোলোই মিংদি
নমু তাইবং হকচাং নুংদা
কাইদোংলম্বা যাইবরেন
খম্বুং শাবাব তান্দুনা
অমন শিংগুম্নকপা খুদিং
য়াম্বী মাগী পোত্থাফম্নি :
পাখঙ চাম্মনা শিবগা
নুবা চাম্মবু ঙাইনচীং,
নুবা চাম্মনা শিবগা
পাখঙ চাম্মবু ঙাইনচীং
কোমোই মাগীদি নীংথিবী
থোংঙাক লাইবেম্বী মশাইগোন
থোংঙাক অশিথেল কৌইদো

মকুই নুংগুল চীং কোলোইনে।

ইনুংলৈমা ঃ তাইবং মালেমগী ফজবা
নীংথিবদি অগুকপনি
নশানৌনা বাখলনবা
পায়মা খৈনা নুংগুল্লিদা।

থোংজারেন ঃ তিল্লাং মাবু খয়োংননা
পাযমা বাখল খোইথেমনৌদো,
নমু পোংগী মপোক অসি
খাবতনা মশরুক্কি
নুংনাংলুগনুদা ইশানৌ।

ইনুংলৈমা ঃ(খগুনীংনা)
খোয়ুম শিদবা মপুগী
থৌবম থৌগাই পুগুসিদবু
নমু পোংগা খোয়ুম লাইগা
শকউনবা য়াদববা
তাকপীয়ুনে নশানৌদা।

খাংজারেন ঃ হযা চগুা খোয়ুম লাইগা
নমু তাইবং মীওইবগা
চাবৌ মৌরৌনবম্মীদো।
হৌজিত্তি খোয়ুম লাইথুপগ্রে
খুবর্মদি লেগুদনা মবৈদি
তাইবংচাশিংনা শোংকীন।
অমাই লিচা হেল্লাশিংনা
লাইনিং-লাইশোন, লিকজম খগুন
ঈবাৎ থৌনিজববদি
খোয়ুম মানা ললকুবিয়ে
যাইফ থোইবু পিনবীদো।

ইনুংলৈমা ঃ (হবাগুনা)
মালেম তাইবং পানবসিগী

খণ্ডবা ম্লাবা ব্যরম পুন্বা
লাইখোঙ তিনখোঙ ঙম্নমকসু
নশানৌ ঐনা খণ্ডজরে।
ইশাবী ওইবা নহাক্কী
লমজিং লম্‌তাক মখাদবু
মালেমগী ওইবা ফজবা
তাইবংগী ওইবা নীংথিবা
মিৎম্না মিৎয়েং শানখৈবদি
ননাইগী পায়মা পিবুকসে
ঙমখৈ লৈত পেঞ্জরেদো।

থোংজারেন : দুদি তাবো ইশানৌ ও,
খোঙকাপ য়াংদৌবু থাংলক্রো,
নশাবী ওইবা ঐহাক্কী
হৈনা তুংইন তম্লক্রোনে।
ইনুং মমৈ ওইরকপনা
লিক্লা লোকপা নামিবসু
লৈনা চাইনা শিংলক্রেদো।
শক্তিক লালওংবু তমদুনা
থাবা নোংখাইখিগদৌরে
ইরম লমদম খম্বুং লৈবাক
পাংলসিদো ইশানৌ ও।

ইনুংলৈমা : খোঙকাপ নাউবৈ থাংবিরোনে
নশানৌ তুংইন তমজগে।

(চৎথিন্নবি)

লাইট ওফ

অহুমশুবা শরুক

মফমঃ খম্নুং লৈবাক

মতম ঃ অয়ুক

(ইনুংলৈমনা মালেমদা তাইবংচা ওইনা লাংওম্নীংবগী রাখল তৌদুনা লৈ)

ইনুংলৈমা ঃ করম্বা রাংলেন অমদা
ইনুংলৈমা কৌবী ঐনা
পায়মা নুংদা খঞ্জরিবা
লমদাংসিবু থুংলগবা,
লৈশেম মপুমক ফাওবনা
নমু তাইবংচা ওইনবু
লাংওনজগে খন্নবুদি
লাইনিং পরৈনজবদা
কুমওন কয়া ফংদে হায়দো।
দুবু লাইরেম্বী ঐমক্তি
তাইবংচা ওইবী মপোক্তা
ওম্থোক্না পোকচনিংব্রেদা।
ইশাবী ওইবা মওোন্দা
ম্নুক্তা হায়দুনা যেংলগে।

(থোংডারেন চঙলকই, ইনুংলৈমনা মখুৎ লোম্নদুনা খুকম্নগা হায়রকই)

ইশাবী ইবুংঙো লাইনিংথৌ
ননাইনুবী ওইবী ঐনা
লুরেল লুক্না খুয়া খাদা
পুনেমজরি হে লাইনিংথৌ।

থোংঙারেন ঃ (নুংঙাইতনা)
ঙসি কোরৌ নোংজাসিদা
ইশানৌ ওইবী নঙবু
মাইখোং ময়েং তানা উইদো;
করি অবা হইশোন লাংগে?
খম্বুং ঐগী লৈবাকসিদা
খোয়ুম ওইবদি কনানা
লাকচ খুদুমবু চনবগে;
নচেম ওইবী করম্বগা
বাহে কঙ্গাও কোলোইনগে,
পায়মা নুংদা থুপচানদা
নশাবী ওইবা ঐঙোন্দা
য়াবা চীঙ্গোয় পাউদম্মুদো।

ইনুংলৈমা ঃ (নোমুক্না)
নশানৌ ওইবী ঐহাক্কী
পায়মানুংদা কাবিমত্তা
অবা খুরৌ থাংজদেনে।
খোয়ুম লাইরেম্বী-লাইরেম্বা
কনানসু ননাই ঐবু
লাকচ খুদুম চনখিদেদো,
ইচেম ওইবী কনাগসু
চিন্দা পাউদানজদেদো।

থোংঙারেন ঃ (খঙনীংনা)
ইশানৌ ওইবী নহাক্না
হরাও নুংঙাই মথোই কানা
নুংঙাই মিনোক তম লৈরগা
নশাবী ওইবা ঐহাক্কী
পায়মা রাখল নুংঙাইজেদো।
ঙসি নঙনা চিনবানথোংদা
হরাও মিনোক তম্নবসু

নুরা নওগী মাইথোংদদি
নুংঙাই মমি তাবা উদে,
হায়মু পুক্লিং থুপচানদা
কবম্বা ৱারম লৈবগে?

ইনুংলৈমা : (শকফম হঙ্জিল্লগা)
ইশাবী 'বুংঙো লাইনিংথৌ
তাইবং থবায় ওইবশিংগী
ৱায়েন চুপ্পি পাযবিব ও,
নশানৌ ওইবী ঐহাক্কী
পুক্লিং হকচাং করিমত্তা
অৱা তইশোন লাংজদনা
নুংঙাই য়াইফ মরাং কায়না
ইশাবীগী নবানয়াইদা
যাঙ্গোইর্জাবিদো লাইনিংথৌ,
দুবু নশানৌ ঐহাক্কী
পায়মা উনগোইনুং অসিদা
নীংজবা ৱাফম অমত্তং
ইশাবী ওইবা নকাদা
চীঙ্গোযজনীংই ননাইনা।

খোংঙারেন : চীংনা পবৈদা হায়য়ুদো
করি য়াৱানো ইশানৌ?

ইনুংলৈমা : (খুকমদুনা)
কোবৌ থত্তানা শেকপিন খল
খাদা লৈতাই খমদাইরিবা,
অসি অচঙ ৱাযেল্লিবা
খমু পুঙগী লাইনিংথৌ ও
খোয়ুম থৌজান পিনবীযু।
নশানৌ ওইবী ঐহাক্কা
মালেম মাগী লৈকোইপুঙদা
নমু তাইবংচা ওইনব

অমুক্তদি লাংওনজগে।
তাইবং অওাই নোংশাপান্দা
শাফোংজরগা ননাইনা
তাইবংলেনগী ফজরবা
থৌরম লমদাং খিবিকমকপু
মিৎযেং শানথৈজনীংবনি।
য়ারমশিং অসি লৈবনা
ননাইনুবী ওইবী ঐগী
মাইথোং মকচানজবনি।
থৌবম লমদাং অসিমকপু
পীনবীয়ুনে লাইনিংথৌ।

থোংজারেন : (থেমজিন্দুনা)
খৈম্ব্রে ঐগীদি মীনুংকোন
ঐগী সনাদি পুঙলেন য়াই
খম্বুং লাইবৈবাক অসিগু
ইশানৌ নওনা থাদোক্লম,
অওাই তাইবং মালেমদুদা
লাংবুব লাংওম্নীংলিবদো
পাযমা নুংদা খম্বুগনু।
তাইবং লৈকোন্দা শাৎলিবা
নীংথবা লৈরাং খিবরগা
য়াংলেন ওাইহাক শাংলম্লগা
শিংজেল লৈথোক লোযরনা
লৈন থোইনা কেনবগ্ম্না
অবেপ্না অমা লৈতনা
নম্ব তাইবং মপোকানি

[illegible] [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ওইবী ঐহাক
থৌ[illegible] লমদাংসিগু
[illegible] লাইনিংথৌ

খোংজারেন : (মখা তানা থেমজিন্দুনা)
শিদয়াই-নাদয়াই, ওইবা
লাইবমলেনগী মপোকসিবু
ইশানৌ নঙনা থাদোক্রম,
নুজা ওইবীদি রাখলনা
লাইরৈবাকপু তুংওইননা
অশি অচঙ রাতেমপুঙদা
লাংওন শাইওনগে তেমশিংলা
পাযমা নুংদা খল্লগনু।

ইনুংলৈমা : ঈবম খোংলম খঙজদবা
লাইজনুংগী লৈম্লেগুম্না
নুপীজা ওইবী মপোক্রা
হন্না হন্না খুযা খাদা
চাঙ্গোযজবি লাইনিংথৌ শু,
অনংনেনা চিঙ্গুক্তবু
হঙ্গংচবদি লংচাদে।
মালেম তাইবং পুন্ডদদা
নমু মাগী লোংশক ওইনা
লাংওনবদা যাবিদ্রসু,
মালেম তাইবং লেকোন্দুদা
শিংজল লৈবা, লৈমি ওম্না
[illegible]
[illegible]
[illegible]
পীনখীয়ুগন ইশাবী।

খোংজারেন : [illegible]
ইশানৌ নংবু ইবেম্মা
নবুদা থার্কিদি রাখলু
মালেম মাগী তাইবংলে
খোংদানীংবসু নুবাগী
পাযমা নুংদা পাল্লপলদ্রু।

ইনুংলৈমা : (খুরুমদুনা)
ইশাবী খুংঙো নুংশিবা
নশানৌগী পায়মা নুংদা
পলেপচরেনে লাইনিংথৌ।

থোংঙারেন : পায়মা বাখল তয়াং তশোই
নুজা ওইবী মপোক্তুনা
অশি অচঙ খায়দরবা
অবাং অপা লৈতরবা
খম্বুং ঐগী ইরৈপুঙসি
অকাও পরৈবু চন্নগে
পায়মানুংদা তেমশিংলবোই।
নশাবী ঐনা খাম্বদা
ইয়ামক য়াদ্রবনিনা
পায়মা নুংদা নীংজরিবা
নমু তাইবং মপোক্তুদা
লাংওনজরুরো ইশানৌ।
অকাও নাইবা মালেম পুঙনি
হয়েং নোংদা শানৌ নঙনা
তাইবং মালং নোংশাপান্দা
নমু তাইবং পোংশক ওইনা
শাফোঙলবা বাংলেন্দুদা
নশাবী ঐবু কাওরনি,
মাংলমচংকী লাংওন ভন্না
অকাও পরৈ চনশ্রনিদো।
দুনা ইশানৌ নহাক্না
তাইবংলেন্দা শাফোঙলগে
হায়রবনিনা হৌজিকমক
শরী বাশক পন্দোমলোন্না
পলেপনরম্বা তাবেদো।

[illegible] : (হরাওনা)
ইশাবী বুংঙো নুংশিবা
লাইনিংথৌ নঙগী য়াথংবু
কোয়ৌ থক্তা কাফদেদো
মালেম লৈদা তাফদেদো।
লাইনিংথৌ ওইবা নহাক্কী
সনা য়াথং কায়রবদি
তাইবং ওইবা মপোক্কুদা
পুঙমদ্র অবা অনাগী
পোৎলুম হংজৈ কয়াদুনা
কোকথক্তা তাবা ওইজগে।

[illegible] : মদুনসু মদোমদ্রিদো,
খমুং ঐগী মীনুংকোন্দা
ঐগী সনা পুঙলেনয়াইদা
লৈবাং লৈশাং তমজরিবা
শিঙেল লৈরাং কোম্বীরৈসি
অঙৌবনিদো ইশানৌ।
লৈরাং মাগী লৈখোক্তগী
শিঙেল লৈচা শেৎনা পুখো,
মালেম তাইবং লৈকোইপুঙগী
মপু মাগী লৈকোন্দুদা
নুরা খুৎনা থাবম্মুদো,
নশাবী ওইবা ঐহাক্কা
শরী খাশক পন্দোম লোমখি
ইশানৌ নঙনা থঙজৌদো।
খমুং লৈবাক মপুংযাইদা
ঙৌনা লৈশাং তম্বগুম্বা
মালেম লৈকোয় পুংদুদসু
শিঙেল লৈচুবু হোংদনা
ঙৌনা লৈশাং তম্লসনু।

ইনুংলৈমা ঃ (খুরুমদুনা)
ইশাবী নঙবু নুংশিবা
লাইনিংথৌ নঙগী য়াথংবু
লুরেল থক্তা থোঙ্গথচরে।

খোংজারেন ঃ অঙাই তাইবং মালেমদুদা
ইশানৌ ওইবী নহাক্না
ওইগীদি লমদাংবু ওইনা
নমু পোংশক্তা লাংওনগে,
অচাও শারেপ তাম্দুনবু
মপুং মরে ফারক্লগা
পায়মা তিল্লাং খয়োংননা
অপাম নুংশি লৈরক্লবা;
লৈপুন খয়োম ওইনসিবু
শরী বাশক পন্নেপননা
চেনসি, চোংসি বারেপ্পবা
কুমজা-কুমওন, অদুদগী
শিঙেল লৈরাং লৈচু অসি
মুনা খুমু হুন্নসনু।
মতমসী খোঙলোই তুংইন্না
ইশানৌ ওইবী নহাক্কী
নমু মপোক লোইরবনি;
নোংমাই তেংনা য়ুমগাদ্রিঙে
মালেম তাইবং কোন্দুদগী
নশাবী ঐনা শোয়দনা
লৌরগনি কাওগনু।

ইনুংলৈমা ঃ (খুরুমদুনা)
নশানৌ ওইবী ঐহাক্না
লাইনিংথৌগী বারেপ থৌদা
ফিগাও শানা য়াজরিনে।

(লৈচা অমা শেংতুনা পিরগা ইনুংলৈমাগী কোক্তা নানবীদুনা হায়রকই

লাংঙারেন ঃ ঙসি কৌবা নোংজাসিদা
ইশানৌ ওইবী নহাকপু
লেপ্পমক কুবিরবনি।
ঙসি কোরৌ নোংজাসিগী
ইনুংয়াইগী বাংলেন্দুদা
ইশানৌ নঙগী য়াইবিনা
তাইবং পুঙময়োন অদুদা
নোংমদোল লিক্লা ওইদুনা
খোঙদোইজখ্রোনে ইশানৌ
শিদয়াই-নাদয়াই ওইনা
মপু মাগী মিথয়েংখাদা
নথৌ থৌদাং পাঙজরুরো।
নুরা নঙগী পায়মানুংদা
খোইদাজবা পোইরে য়েংনা
বাইথুংজরুরো ইশানৌ।

ইনুংলৈমা ঃ (লৈচা লৌদুনা)
তাইবং থবায় ওইবশিংগী
বায়েন থৌদা চুপ্পি পায়বা
চানবী হৈবা থম্নুং নিংথৌ
থূয়া খাদা পুনেমজরী
চীংঙ্কু নোংদম পিনবীয়ু।
খম্লে মীনুংকোন লৈবাক্তা
ঙৌনা লৈশাং তমজরিবী
শিঙেল লৈরাং কোর্থীরেবু
লৈরাং লৈচা শেথনা খাইনা
পীনবীরেদো নশানৌদা।
, ঙসি কোরৌদি নোংজাদা
শিঙেল লৈরাং কোর্থীরেদা
বাশক পরে থনম্বসি
করিগুম্বা বাংলেন্দুদা

রাশক কায়বা ত্যাববদি
হয়েং তুংদা তাইবংচানা
শিঙেল লৈরাং কোম্বীরৈদা
নুংশি রাশক পলেপ্পদা
রাশক পন্দোম লোমদববু
ওইরসনু ইশাবী ও।

থোংঙারেন : নুবা নঙগী পায়মানুংদা
পল্লেপচনা যাবাদুমক
ওইরসনুদো ইশানৌ।

লাইট ওফ

মরিশুবা শরুক

মফমঃ থাংজিং মশাইগোন

মতমঃ অহিং নোংয়াই

(ইনুংলৈমনা খুনিং কাংদুনা খুবাক লাইখল শাদুনা কোয়না লৈ লৈদুনা লেংই)

ইনুংলৈম ঃ (বাখল তৌই)

খন্নুং লৈবাক্কী নুংঙাইবা
খোয়ুম লাইগী চহনা পথাপ
থাদোক্লমলেদো হৌজিক্তি,
মালেম লৈকোয়পুঙ অসিদা
তাইবংচা ওইনা লাংওনগে
সাক্রবনিদো ঐহাকসে।
ঙসি ঐনা বায়থুংলিবা
পোইবৈ লমদম লমনুংশিসি
নহান নোং ইশাবী মানা
কোলোই য়াবা পাউতাকখিবা
কংলে সনা পুঙময়োনগী
শকযেং মিংশেন ওইনবিবা
লোক্তাক লাইজ ঈফুবেনদি
কেগে লোক্তাক ঈশাইফুনি,
ঈবম কয়াগী ঈতিনফম,
ঈশা মাপলনা লৈতেংবা
লৈচিন মবা তাবা লম্নি
নোংথৌ মউ লিংবা লম্নি।

হৈকক য়েন্নিনা ঈমায় শন,
থাংজিংনা পাবোৎ লোল্লিবা
লাইজ থকী লৈরাং কয়া
শিঙেল লৈশাৎ তমজরিবা
চীংঙু থাংজিং মশাইগোন্নি
কেগে মোইরাং লৈবাক্কিদো;
তাইবং কনাগী মরান্দা
লাংওন তম্মুসিগে ঐবু।

(পুক্লিং নুংশিনা মখুত্তা পায়রিবা কোম্বিরৈদা য়েংলগা হায়রকই)

খম্বুং সনা মপুংয়াইদা
শিঙেল লৈশাৎ তমজরম্মী
লৈরাংদি নঙবু তনৌবী
ঙসি মোম্বু ইশুংলাংগী
লৈরাং নঙবু শেৎন-খাইনা
পুবিবক্নে মালেমসিদা।
শিঙেল লৈরাং নঙগা ঐগা
কায়নবা লমদাং য়ৌবক্নে,
নতা ওইবী ঐহাকমক্তি
লমু তাইবং মপোক্কদা
লাংওল্লগে লাক্লবনি।
মরম লম্লেন লমনুংশিদি
খোয়ুম লাইগী খুনদিল্লফম,
নাপ্পা চিক্লা পাউশানবা,
চুম্লাং কৌবীদি লৈথাংনা
শারা শম্নবু পাবোং লোন
ফুমদি কম্বোংনা নাফুৎ লোন
চেক্রাচার্শিংগী চাক্তা লম,
চীক্লা ঙাম্না লৈজরিবা
লাইশোই পাংনা ঈরাই ঈনিং

ঈপোম নাইনা শন্দোকপা লম
লমলেন লমনুংশি অসিদা
ইতা নঙবু থারমলগে।
য়েলহৌঙেদা লৈবাং নঙন
ঙৌনা লৈশাং তম্বগুম্না
খোইনৌ নঙবু শাৎলকউ
করিগুম্বা ৰাংলেন্দুদা
ইতা ওইবী লৈরাং নঙনা
লৈশক লৈচু ওন্নদুনা
মুনা খুমু হুন্নকলদি
নতারোই ওইবী ঐহাক্তি
তাইবং লাংওন লোইরদুন
থম্মুং পুঙদা হনগ্রে হায়না
খোইনৌ নঙনা খঙবীযুবে
চন্নবী ইতা নুংশিবী
শিঙেল ওইবী নঙগীদমক
লাইজ খিকচাইবা ঙমলো
চীংঙু নোংথৌবু শোবাবে
লাইজ ঈরিক ঈতম্বনা
লৈবাং নঙবু নাওকোনসনু
কুমজা খুদিং কাংদনবু
অবী অনৌ তাইনবদা
শিঙেল নঙবু লৈহেঙ্কনা
খোয়ুম লাইথোং খুদিংমহ
তাইবংচানা কৎচবদু
ইতা নঙনা কুবিয়ুকো।

(ইনুং লৈমবু থাংজিংনা উই)

থাংজিং : (মথস্ত শোল্লি)
খোইমোম ইনুংলৈমা মানা
তাংলৌ ইনুংয়াই চনবদা
শিদয়াই নাদযাই ওইলা

লাইরমলেন মপোক লাংওনবু
লাইরেম্বী মানা থাদোক্লম;
অশি অচং বাতেমপুণ্ডদা
নমু তাইবংচা ওইনবু
লাংওল্লগে পায়মানুংদা
খোইমোম মানা পলেপ্লবোই।
লাইরেম্বী মানা পামজবা
তাইবং লাংওন শাইওনসিবু
থুংহল্লগে থাংজিং ঐনা।
চীংগু ঐনা কোল্লিবা লম
কেগে মোইরাং পুংলেন য়াইদা
নমু তাইবং চনু ওইনা
শাফোঙজবা ওইরসনু।
কেগে মোইরাং নিঙোল্লাকপা
কোংলেনহনবা লোইজা মাগী
মোংবা মরান য়াইদুদবু
তাইবং চনু ওইগী লমদাং
ওইদুনবু লাংওনহনগে।
নুরা মাগী কোলোই মিংলেন
খম্বুং য়াইদিং কোনুং হায়না
তাইবং চানা খঙনসনু।
নুরা য়াইদিং কোনুমাগা
মোইরাং শিনশু হনবৈ পারী
শাম্বা নহা লমগানবগা
শাবী-শানৌ, অনীমক্লা
নুংশি খয়োম লৈপুন শেম্বা
থাংজিং ঐগী কুম্মৈ ওইনা
মিংয়েং শানখৈনরম্লগে।
লাংওন লমদাংসিগীদমক
ইশানৌ অয়াং লৈমদা
শিঙ্খা পরম লিক্লম কায়দা

লাইরেম্বী ইনুং লৈমবু
ওইগী লমদাং চনু ওইনা
লাংওন্নবা থৌরে থৌরম
চিংথদনা শিন্নরগে।

·খংজিংনা অয়াং লৈমবু কৌরকই)

অয়াংলৈমা পাম্ভোইবী ও
ইশানৌ নঙবু তাবরা?

[illegible] : করি যান্নানো ইশাবী
নশানৌ ওইবী লাকচরে।

খংজিং : (খুদোনবী থিন্দুনা)
য়েংউনে-ইশানৌ নঙবু,
থাংজিং ঐগীদি ইশাইগোন
চীংঙু ঐনা কোনবদি লম,
লোইবী চীংদোল অতাম্বদা
থোংভারেন অহনগী তালোই
মশানৌ অতোম্বী খোইমোম
ইনুং লৈমা লাইরেম্বীনা
তাইবংচা ওইনা মালেমদা
লাংওল্লগে খল্লদুনা
খোঙদোইবক্লেদো ইশানৌ।
খোইমোম মাগী মশুংলাংগী
খঙ্গু পুঙদা হৌবা শিংভেল
কোম্বাংলে কৌবী লৈপাংদি
লৈরাং লৈচা শেংনা থাইনা
পুবিবক্লেদো মালেমদা।
লাইরেম্বী মাগী খুৎনা পায়,
মথানুংদা চেৎনা কোন
পায়মা নুংহিল্লা কপ্পিদো
মিংঙ্গা তবং ঈবা হৈনা।

অয়াংলৈমা ঃ ননাইনুবী ওইবী ঐনা
খোইনৌ মাগী করি মতেং
পাংজৌ হায়না তাকপিবনো ?

থাংজিং ঃ নশাবী ওইবা ঐনদি
মোইরাং নিংথৌগী অঙম্বা
কোংলেন হনবা নিঙোল্লাকপা
অঙম্বা মাগী মমোম ওই
মথক্তা মচেম শাত্তবী
মখাদা মনাও ফুয়দবী
অমত্তা পোকপী মমোম ওই
লাওন হনগে পলেপলে।
নাইতোম পোকপী নুরা মাগা
মোইরাং শিনশুহনবৈ পারী
শাম্বা নহা লমগানবগা
নুংশি খয়োম লৈপুন ওইহন
তাইবং কুম্মৈ শাম্নরগে
নশাবী ঐগী পায়মানুং
পল্লেপলেদো ইশানৌ ও।
অদুনা,
ইশানৌ ওইবী নহাক্না
খোইমোম মাগী শায়োনফম
লাইরেম্বী মাগী লাংওনফম
লমজিং লমতাকপীরুরোদো।

অয়াংলৈমা ঃ চীংঙু নঙগী নয়াথংবু
খোয়ুম নঙগী অনীংববু
নশানৌ ওইবী ঐহাক্না
বাংলেন অসিমক্তদগী
থৌরাংজবা হৌজরগে
চীংঙু থৌজান পিনবীয়ু।

থাংজিং ঃ খোঙদোইরুরো ইশানৌ ও।
থৌরম পুম্বা চিংখদনা
থৌবাংজবা ঙমজরুরো।

(ঙাইহাক্কী মনুংদা থাংজিং চীংমাইদগী হৌরকপা নোংনা নোংমদোল শিল্লি। অথাক অরাওগা লোয়ননা নোংসু তারি। অয়াং লৈমনা ইনুংলৈমদা লাইপাউ ওইনা হায়রকই)

য়াংলৈমা ঃ খোইনৌ খোইমোম ইনুংলৈমা
ইতা হায়না মিংগৌজগে।
ঙসি ইনুংয়াই বাংলেন্দা
খম্নুং পুঙ লাইরৈবাক্তগী
অঙাই তাইবং মালংপানদি
মালেম লৈকোইপুঙ অসিদা
লাংওন শাইওনগে খন্নবু
পায়মা নুংদবু পলেপ্পা
মালেমদা খোঙ্গুমলকপবু
চীংঙু থাংজিং কোলোইনবা
কেগে পোকপা লাইনিংথৌদি
কোইরেল লাই মানা কোনবা লম
ঙাংঙোইদি মপুং য়াইদুদা
নপাম নঙগী ওইজরুরো।
মপারী অমা শাত্তবা
মমোম অমা ফুয়দববা
নীঙোল্লাকপা কোংলেনহনবে
মোংবা মবান য়াই অদুদা
অঙম্বা মাগী মশাইগোন
মপারী মমোম শরুবু
লাংওন মপোক ফংজরুরো
খোইনৌ ইতা চান্নবী ও।

(অয়াং লৈমগী মপাউ তাবদা ইনুং লৈমনা লৈদুনা য়েংই)

ইনুং লৈমা : (মথন্ত খল্লি)

তাইবংলেন খোইমোম লাইরৈমা
কনাই য়াবা ওইরিগবা!
ইনুংলৈমা কৌবী ঐনা
মালেম তাইবংপান অসিদা
নমু তাইবং মপোক ওইনা
লাংওল্লগে খোঙদারকপা
চীংঙু থাংজিং কোইরেল লাইনা
লেপ্লমকপু থৌজানবীরে।
খোযুম মহাকী মশাইগোন
চীংঙু মহাক্কা কোনবা লম
কেগে ঙাংঙোই পুঙময়োন্দা
নীঙোল্লাকপা কোংসেনহনবৈ
মবান য়াইদুদা চঙলগে
লোইজা মাগী মকাদবু
তাইবং লাংওন সিমগীদি
পম্থৌ কৌনা তানফংলগে।

(লাইরেম্বী মপোক থাদোক্লগা ইনুং লৈমাগী থবায়না তন্দন ওইন পাইরক্লুনা নীঙোল্লকপগী মরাম্লুন্দা চঙখি)

লাইট ওফ

মঙাশুবা শরুক

মফমঃ কোংলেনহনবগী য়ুম

মতমঃ অহিং নোংয়াই

(নোংনা অতৎপা লৈতনা চুরি, কোংলেনহনবসু নুংঙাইনা তুম্নি। অয়াং লৈমনা মমঙদা লাক্কুনা হায়রম্মী)

অযাংলৈমা : ইদাইরেম তয়ুম নহাকপু
খোম্লেন মিকপ থোক্লোগবা,
খোয়ুম শিদবী ঐহাক্না
ইদাইবেম নহাক্কীদমক
শিঙেল লৈবাং পরেং অমা
শরুক তম্লমগে থন্দুনা
পুবক্লিদো নমা ঐনা,
নশানৌ মোম্নুতোম্বীদা
শিঙেল লৈরাংসি শিবীয়ু।
পারী ইমোম নখোয় নীনা
পারী শাত্তে বাজবদু
ইমোম ফুইদে নুংনাংবদু
পাযমা নুংদা বারুবনু
অবা হুইশোন লাংলুবনু
তাইবং চনু ওইগী লমদাং
নারা অমা ফংজরোকো।
নমোম মাগী কোলোয় মিংসু
খমুং যাইদিং কোনু হাযনা
মিংগৌজৌ ও ইদাইরেম ও।

কোংলেনহুনবা ঃ (মিকপ থোক্রগা খল্লি)
হি' করি মতৌ কৌবগে,
ঙসি ঐগী মঙলানচান্দা
চীংঙু খোইমোম অযাংলৈমা
লাইরেম্বী ইমা মহাক্না
য়াবা ঙগ্নেমরম্লগা
অপাইবা লৈচিল মবক্তা
উনা উনা মাঙখ্রিসিবু।
লাইবেম্বী মানা পিবম্বা
শিঙেল লৈবাং পবেংদুনা
ইশানৌ মাগী ঙকশমদা
লৈবাং লৈহুকপা ৱাংলেন্দা
শিঙেল লৈনা চোইজাইনন'
মালেম লৈমাইদা কেনখিবা
কবি খুদম ওইবিগনি।

(খুকমদুনা)
ইনুমৌ [illegible] কোইখেল লা[illegible]
[illegible] পাঙ্গ্রাইব [illegible]
[illegible] মঙলানচান্দা,
[illegible]
[illegible]
[illegible]
নচা [illegible] অনীমব পু
থৌজান মিথয়েং শানখেবীযু।

(মোমুতোম্বী হৌদোকই)
ইশানৌ নঙবু তাববা
খোম্লেন মিকপ থোক্রোগবা।
ঙসি কোবৌ নোংজাসিগী
ইনংযাইগী ৱাংলেনসিদা

নশাবী ওইবা ঐহাক্তি
ইনুং শোযবা য়াতদনা
পাযমা পিবুক খোইবাংননা
ইনুং ঙানবা ঙাইবক্লিদো।

থাগ্গাতোম্বী : কবি যাবানো ইশাবী
ইনুংয়াইগী বাংলেনসিদা
নশানৌ ওইবী ঐহাকপু
খোম্লেন মিকপ থোক্লো হাযনা
যাবা চিঙ্গোইবীবিববু।

খোংলেনহনবা : (থবায বানা)
ঙসি কৌবা নোংজাসিগী
ইনংযাইগী বাংলেনসিদা
নশাবী ওইবা ঐহাক্কী
খোম্লেন মঙলানচানসিদনু
চীংঙু খোইমোম লাইবেশাদি
অয়াং [illegible] মা পাম্থাইবীনা
পাযমা পক্লি নু হুনল
[illegible] নবা [illegible] অমা
[illegible] শানৌ
[illegible]
[illegible] শাঙেল [illegible]
[illegible] অযুক্তনু
ইশানৌ ওইবী নঙোন্দা
শিজিনবীয় পাউতাক্রম্মী।
তযুম নখোয অনীমক্কা
পাবী শাত্তে ইমোম ফুইদে
পায়মা বাখল তয়াং তশোই
নুংগুক নুংজানজবদো
ওয়গী লমদাং চনু অমা

ফংজবোকো ইদাইরেম ও।
নমোম মাগী কোলোয় মিংলেন
খম্বুং থোইবিদিং কোনু হায়না
কোলোয়নজৌ তাকপিবম্মী।
অসি বাবু হায়বল্লগা
খোইমোম লাইবেম্মী মহাক্তি
অপাইবা লৈচিল নোংফাইগা
ইবোয়ননা মাঙখিবম্মী।
শিঙেল লৈবাং পবেংদুবু
ইশানৌ ওইবী নঙোন্দা
লৈবাং লৈহৎপা বাংলেন্দা
লৈবাং পবেং তত্তুনবু
লৈনা চোইনা লৈমাযথক্তা
তাখিবম্মীদো ইশানৌ।
খোযুম নোংদম্বা মহাক্কী
কবম্বা খুদম চাংদমনো
খঙদ্রেদকো ইশানৌ ও।

মাম্বুতোম্বী ঃ (নুংঙাইতনা)
চীংঙু খোইমোম লাইবেম্বীনা
খোমলেন মঙলানচান্দুদবু
মঙগ্রেম্বলা মওইবিনি,
পাযমা পুক্লিং হৎকচিন্নবু
নুংনাংবীগনু ইশাবী।

কোংলেনহনবা ঃ (নিংঙমদনা)
ওম্ভোকপনিদ ঐহাকসে
পাযমা পুক্লিং থেনখ্রেদকো
মঙলানচানগী থৌদোক্তুনা
অকাও পবে চনখিদকো।

[illegible] : মঙলানচানগী থৌদোক্তুবু
যাবা চিঙ্গোয়নবীবদা
করি অকাও পরেনগে
নশানৌদা তাকপিয়ুনে।

[illegible] : ইনুং মানা ঙানগ্রিঙৈদা
হাওরে খানা পাংবরোমদা
শমু হুকচাং মাইওম্বনা
মঙলানচানগী থৌদোক কয়া
যাবা পাউদমনহৈদেদো;
খোমলেন বারীনহৈদেদো
নামুংই হায়না হায়রম্মী
লাইওইগ্রবা অহলশিংনা।
কাওজনথিবা তাইবং মীগী
পায়মা বাখল ওইরুবনা
মঙলানচানগী থৌদোক্তুবু
বারীনরুইদকো ঐনা।
হয়েং কোরৌ নোংজাদদি
কোরৌ নোংমাইজিং অসিদা
চীংঙু থাংজিং খুয়া খাদা
হৈরাং লৈরাং লৈকং তম্না
যাইফ থৌনি জরুসিদো।

[illegible] : (হৃবাওনা)
ফনদুম মপা চানরে,
নশানৌ মনাই নুবীসু
চীংঙু মাগী খুনমদুদা
হৈরুক হৈরা খেঙ্গদুনা
থৌনিজগে পলেপচৈদো।
নশানৌ ওইবী ঐহাক্না
মরম লমদাং খিবিকমকপু

শোয়দনা থৌবাংজগনি,
পাযমা নুংনাংবীগনুদা।
ইনুং শোবাবু তৌদৌবা
বাংলেন কয়াম বাথলিবগে?

কোংলেনহনবা ঃ ইনুং য়াবেক তমজবিবা
চেক্লাশিংগী য়াবা খোল্লেল
তাদ্রিদো ইশানৌ নঙবু,
শজিক লালওংসু তমগ্রি
ইনুং শোবাদি তৌদৌবা
বাংলেন ঙাইহাক বাথলিমাল্লে।

মাম্নুতোম্বী ঃ ইনুং মাসু ঙানগদৌবা
বাংলেন ঙাইহাক বাথলিবনা
খোল্লেন তুমখুন তাল্লবসু
মযাবিনা ইশানৌ ও।

কোংলেনহনবা ঃ নশার্বী ওইবা ঐহাক্তি
খোল্লেন তুমখুল তাল্লবোইযে,
ইনুংবগী চেক্লাচাদি
মবিংগী য়েনবা খোল্লৌবা
অহানবা যেনখোং তমদুনা
ইনুং ঙাল্লে তাক্লকপদা
খাল্লৈ লৌবুক্তা কুমদুনা
লেল্লৈ ঙাফা তাল্লুগেকো।
ঙসি কৌবা নোংজাসিগী
ইনুংযাইগী বাংলেন চুপ্পা
নোংলেন লাইজ ঈবিক ঈচাও
নোংখাঙ ফুইনা চুঁখবনা
কেংগে খাল্লৈ লৌবুক থুম্না
লাইজ ঈচাওবম্লগনি
খাল্লৈ লৌবুক লৌতারুগে।

মামুতোম্বী : বাংলেন কুইবিরক্কনুকো,
ইশাবী ওইবা নহাক্লা
ফারকপা লৈম্লে ঙাদুনা
তরা বালহৌবা বাংলেন্দা
মথেল লুক্কোই ওইজগেনে।
নশানৌদি বাংলেন ঙাইহাক
খোম্লেন তুমখুন তাঙ্গহৌগে।
(য়েনখোং অহানবা খোংলকই,
কোংলেনহনবনা মোম্নুতোম্বীদা হায়রকই)

লেমহনবা : ইশানৌ ওইবী ইবেম্মা,
ইনুংবা মাগী অহানবা
কাইরে য়েনখোং তম্লক্রেদো
কাক্কী লানবাউস্ চেম্লক্রে,
চীংথৈসু ফিদুপ গুম্লক্রে
নশাবী ওইবা ঐহাক্তি
খাক্লে লৌতাকখিগেকো,
ইশানৌদি বাংলেন ঙাইহাক
খোম্লেন তুমখুনবু তালহৌখো।
(চৎখি)

তরুকশুবা শরুক

মফমঃ থাংজিংগী খুন্তম
মতমঃ অয়ুক তান্নক
(থাংজিংনা অয়াংলৈমবু কৌদুনা হায়রকই)

থাংজিং : তারিবরা অয়াংলৈমা
ইশানৌ পাহোইবী নঙবু ?

অয়াংলৈমা : কবি য়াবানো ইশাবী
নশানৌ ওইবী লাকচরে ?

থাংজিং : (নোকফেং তৌনা)
ইশানৌ নঙবু তারোদো
থাংজিং ঐহাক্না শায়গে
পায়মানুংদা খঞ্জবকপা
তাইবঙ কুম্মেদো হৌজিক্তি
শেহৌবগে খল্লক্রেনে।

(খুদোনবী থিন্দুনা)
য়েংঙু-লোইবী অতাম্বদা
থাংজিং ঐগী লৌকোনসিদা
তাইবঙচা মমা মচানা
যেল্লাং কেঙোই হেক্তুনবু
পামেল শীংজা বাইকোইদুনা
লৈবিবসে ইশানৌ ও।

অযাংলৈমা : (খঙনীংনা)
নশানৌ ঐসু উজবে

যামজেম মরাইবক থিরবী
ইদাইরেম মমা মচাবু
তম্বা কনাগী তাম্লোইনো
তাইবঙ কনাগী পারীনো
ননাইনুবীদা তাকপিয়ু।

[illegible] : পাযমা খোইজংনা তারোদো
মাম্নু লাইবকপু চাওববী
ওযগীদি লমদাং ওইবিবী
নমোম ওইবী মহাক অসে
মতৌ কনাসু নত্তেদো
মোইবাংগী লাম্লোই ফমনাইবা
নদাইবেম শিনশুহনবগী
লম্ইবক থিববী তাম্লোইনি।
নমোম ওইবিবী মহাক্কী
কোলোয় মিংলেনদি হায়বগা
পোংলেনহনবী মিংগৌনৈদো।
অঙাং নাবা পিশক ওইবা
চাওবা কাংদোং ফাদবিবা
তাইবংচা ওইবা অসিনা
নদাইবেমদি শিনশুহনবা
পোংলেনহনবী অনীমক্কী
নাইতোম পোকপা মপাবীনি।
নারা মাগী কোলোই মিংনা
শাম্বা নহা লমগানবদি
কোলোইনৈদো ইশানৌ ও।

[illegible] : কবি মরম লৈবদগী
ইদাইরেম মমা মচানা
যামজেম লাইবক থিবিবনো
খঙজনীংইদো ননাইসু।

থাংজিং ঃ (নুংঙাইতনা)
পুক্লিং শেম্লোই নিক্তনবু
পায়মা খোয়জংনা তারোদো,
নমোম পোংলেনহনবী মাগী
মথোক কারকপা শৈরৌদা
পায়মা নুংদা খোয়দাজবা
মোইরাং শিনগুহনবা মাবু
মশাবী ওইনা ফংজরে।
খোয়ুম মাগী নোংদমখোন্না
মশানৌ মনেম মচাগী
পিবুক উনগোইনুংদুদশ্
খোইথা মিহুন তমজদুনা
তাওজিং মহৈ য়ানজখরে।
নাক্লু ফিয়ান তম্লকপবু
লোইদাম থাদি থাবুম অহুম
শুজরকপা বাংলেন্দুদা
মশাবী মনেম মচাদি
খম্বুং শাবা তান্দুনবু
অমন থরৈ কুমখরেদো।
লাইবক চাওবী নমোম মাদি
পায়মা পুক্লিং নুংহিক্লনা
খুদাং পিফমদি নাইনা কপ
কোরৌ নোংজা খুদিং লেপ্লি।

অয়াংলৈমা ঃ ওম্বোকপা মপুই নোংদমনি
নিঙোল মপোক ওইরুবনা
ননাই নুবী ওইবী ঐদি
ইমোম মাগী নুংওল বারী
তারুবদা পায়মা অসে
খোইথিংনৈদকো ওম্বোক্লা।

থার্জিং : সিনসু লোইদ্রি ইশানৌ,
লোইদাম থাদি থাবুম তরা
কোবৌ নুমিৎ শুরবদা
ইনুং শিলয়োমনুংদুদগী
মালেম তাইবং পানবসিদা
মপাবী অমা ফংজরে।
অবা নুংঙাই তাইবংসিদা,
পোংলেনহনবী নমোম মানা
মপাবী নাবা পিশকপু
মথানুংদা চেৎনা কোনজ
যাবা পাউমেন্নজখিদো
ইমাগী নাবা অপিথক
তাইবং মীবোল খঙদরিবা
ইমাগী পাবী নহাকপু
পঙ্থৌনা নাওকোল্লরোইদো।
খোয়ুম নোংদম নোংখাইবনা
পাবী নঙগী নবাইবক্তা
অসুম্না ওইযু তমগ্রবোই।
হে। ইমাগী নাবা অঙ্গো
ইচাগী কোলোই মিংলেন্দি
ঙসি কৌবা নোংজাদগী
শাম্বা নহা লমগানববু
কৌনা কোলোইনরগেকো।

[illegible]াংবৈলেমা : (নিংঙমদনা)
কয়াদা নুংশিগ্রবনো!
নমু পোংগী মপোক অসে,
নমু মপোক ওইববসু
কয়াদা খেন্নগ্রবনো
তাইবং পুন্সি মপোকশিংসে।

থাংজিং ঃ নমোম ওইবী পোংলেনহনবী
মহাক্কী তাইবং পুন্সিদি
অরাবদনা শরুকনি।
মতমদি লেপ্পা লৈতনা
নোংমা-নোংমগী, হৌখিদো;
মশাবী শিনগুহনবনা
নৌনা পুন্সি লোমখিবনা
নমোম শাবা তুরোইথিনা
মপারী নাবা অপিখক
শমু নমদা পোরদুনা
মোইরাং খাম্লে লৌবুক্তগী
হেক্কুবা য়েম্লাং কেঙোইদো
কেগে খোয়োন কৈখেলদা
শংলৌ খেনমাই লাংলুবগা
মদুগী কাওজ মমলনা
তরা পুকচাক বাম্লুরগা
তরা নোংখম্নরকইদো।
করিগুম্বা বাংলেন্দনা
তাইবং থবায় পানবশিংগী
তরা নোংদম তম্বীরিবী
লোক্তাক ঈথে লাইরেম্বীগী
পাক্লা ঈপাক মশাইগোন্দা
বাকয়ৈ হিনাও তোংদুনবু
লৈন্নে ঙাফা তাঞ্জরুইদো।
করিগুম্বা কোরৌদসু
হৈকক্লা তরা নোংলেনখি।
ঈচাও ঈকা খুদিংগীদি
বাংবা শারেপ ইঞ্জরিবী
বাইনু চারা তুজোম্বীনা
শংমুনরবা বাংলেন্দা

[illegible] ফৌগী মহৎ শিন্না
[illegible] [illegible]মনরকইদো।
[illegible] নুমিৎ চুম্না অমা
[illegible] [illegible]মজকববসু
[illegible]ংপগী অবাংপনা
[illegible] অভোনদি তাববা
[illegible] [illegible]গী পুন্সিনি।
[illegible] অসুম তৌবদুনা
[illegible] [illegible]পোংলেনহনবী মানা
[illegible] নারা পিশকপু
[illegible]নবা নাওয়োক্লক্লি,
[illegible] নারা মহাকসু
[illegible] নুমিত্তি খুদিংগী
[illegible] শারেপ তান্নক্লিদো।

[illegible] : [illegible] নুংঙাইতনা)
[illegible] ওইনিবী মহাক্কী
[illegible] চাওবা ঙাইবদা
[illegible] শাংবদি ঙাইবদা
[illegible] [illegible]তং পাংবীসিগে
[illegible] ওইবী ঐঙোন্দা
[illegible] থৌগাই পিনবীয়ু।

[illegible] : [illegible] [illegible]ইবেদা ইশানৌ ও।
[illegible]মোম লাইবেম্বী ওইবগী
[illegible] [illegible]শি নপাউ তাবদা
[illegible] [illegible]খেনবু পেম্নেদা।
[illegible]ইরেম নমোম অসিগী
[illegible] [illegible]শোনবু লাংবদা
[illegible] [illegible]বিদবা য়াদবে।
[illegible] [illegible]ং ঐনা শামজগে

পাথমা নুংদা খঞ্জরকপা
তাইবং কুম্মে য়ান্না বাথলি
খঙহৌবোদো ইশানৌ ও।

(খুদোনবী থিন্দুনা)
কেগে খুম্থক্তি লৈকাইগী
ঈংনা চিক্না পাঞ্জরিবা
মোইবাং নিংথৌগী অঙম্বা
লোইজ নিঙোন্নাকপা মাগী
শঙ্গাযনুংদুদবু অমুক
মিৎযেং শানখৈনবসিদো।

অন্নাংলৈমা : ইদাইবেম ওইবা মাগীদি
নশানৌ ঐস্যু খঙজবে।
মোইবাং নিংথৌগী অচানবা
মনাই অঙম্বা মহাক্তি
কংলা থৌগাবা বাংলেন্দা
দোলাইদি ফৈনা তোংইদো
কংলা থৌগুম্বা মতমদা
লাঙ্গোই শগোলবু তোংইদো।
কেগেদা মনীংবু তন্না
মোইবাংদা মথা তৌদুনা
হাইনা হুন্না পাঞ্জবিদো।

থাংজিং : নদাইবেম কোংলেনহনবদি
মোনুতোম্বী অনীমক্না
পোকচবা মমোম অপিশক
চেংলৌ শক্বোয় হেল্লিবীসি
কুমজা খবগী মমাংদা
ইশানৌ ওইবী নহাক্না
লমজিং লম্‌তাকপিখিবদি
থোংঙাবেন অহনগী তান্নোই

ইনুংলৈমগী য়াইবিনা
তাইবংচা লাংগুন ওইখিবা
খমুং য়াইদিং কোনু কৌবী
ওইগী চনু লমদাংদুনি।
কোরৌ নোংমদোল থকীদি
লোইদাম থাজ মাইরুবনা
নোংমা নোংমগী নীলকপা
থানিল থাজ ওইরকপগুম
মমোম ওইবী য়াইদিং কোনু
অচাও লেগুম তাল্লক্লেদো।
মরমশিং অসি লৈবনা
চীংগু থাংজিং ওইবা ঐনা
তাইবং কুম্মৈ শৈহৌরেদো
ইশানৌ ওইবী নহাকসু
পায়মা নুংদা খগুজিলজহৌ।

[illegible] : অয়াংলৈমা পাহোইবিদি
নশানৌ ওইবী ঐহাকসু
ইবুংঙোগী থৌরৈ থৌশিল
পায়মা নুংদা পরৈজরে।

[illegible] : ফরে ফরে ইশানৌ ও
ঙসি কোরৌ নোংমসিগী
নথৌ নঙম পাংজরুরো।
নশাবী ওইবা ঐহাকসু
ইরান্নুংদা চঙলুখিগে।

[illegible] : য়াম্না ফগনি ইশাবী।

লাইট ওফ

তরেৎশুবা শরুক

মফমঃ থাংজিং লাইমাঙ

মতমঃ অয়ুক

(নোংমাইজিং নুমিৎনি, খনুং য়াইদিং কোনুসু মতাশিংগা লোয়নন য়েন্দাইদা তরেৎ শেঙ্গাগা লোয়ননা হৈ-লৈ হাপ্পুনা থাংজিংদা কৎ লাকই। শাম্বা নহা লমগানবসু উ-থম্বাল খর লানা য়োম্লগা পুরক্রি, পাব হেক চঙশিনবা ভমদনা তুং ওইবপ্পা লেপ্পুনা লৈ)

শাম্বা নহা লমগানবা ঃ (মথন্ত খল্লি)

নোংমতসু শকউদ্রিবী
চঙখোল্লবী নুজাশিংসি
থাঙ্গ লৈকাই কবম্বগী
কেগে মোইরাংদি কনাগী
মমোমলোইশিং ওইরিগবা?
অদুগা,
নীনি পানবা থাঙশুম্না
পাখঙ ঐবু শুমহৎলিবী,
শম্লাং কোইককনজবিবী
লুতুং তাবা শম্লাংসিনা
নীন্দু য়ৌনা শাবা শনবী,
চেংলৌ শক্লোয় শকহেল্লবী
নীংথিজবী নুজা মানা
কনাবু ওইবিগবনো
য়েংবগী পেনবা নাইদেদা।
ঈরোম্নুংগী লৈবাং মানা
লাইজ ঈপাল লাংজদুনা

লৈরাং লৈশাং তমজরিঙে
ঙঙ্গাম্লনা হন্দোরকপা
কোরৌ মশেক্লা য়ৈবদা
য়েংবগী পেনবা নাইদবগুম
নীংথিজনা শকহেল্লবী
নুবা মাগী মাইথোংনিদো।
নুজা ওইবীশিং অসিনা
শেৎলিবা চবৈ ফিজোলশিং,
ইল্লিবা চবৈ নমখাংশিং
শিবিবা লিক্লাং পবেংশিং,
য়েংল্লুরগদি ঙম্লমক
অঙম অথৌ য়াইফকোনগী
মমোমলোইশিং মানখ্রেদকো।
ঙসি কোবৌ নোংজাসিদা
ইবুথৌ থাংজিং মঙোন্দা
লৈরাং লৈহুন তমজগে খন,
লাকচবসিদি ঐহাক্লা
তবেৎ শেঙ্গাসু য়াওবক্তে,
শেৎলি ইল্লিবা ফিজোলসু
ওম্বোক্লা মঙ্গুনবনা
ইকাইখ্রেদকো ঐহাক্তি।
ফবে;
পায়মা নুংদা পন্নেপখ্রবা
পাখং ওইবা ঐগী বাখল
শমাই লৈদুনা চৎলরোই।

(তাঙ্গাসিদা হয়িংখোই অমনা শাম্বা নহা লমগানবদা লৈশিন লৈশিন ঙংলম্লগা নুজাশিংগী মরক খায়না পাইখিদুনা খম্নুং য়াইদিং কোনুগী নাপ্পদা অমুক ঙংলুরি। য়াইদিং কোনুনা হুমদুনা তাম্বোকই, অমুক পাইশিল্লকই অমুক তাম্বোকই, অমুক পাইশিল্লকই)

য়াইদিংকোনু ঃ করি মতৌনো খোইনৌখোয়
হয়িংখোই অমা তত্তনা
নাপ্পসিদা লৈশিন লৈশিন
তোয়না ঙংলরিবসিবু;
তাম্বোক্লবসু যাদেদো
তন্না হেক্তা পাইশিল্লকই।

মতা অমা ঃ (নোক্লদুনা)
মাঞ্জ মাগী মকাদগী
নুংশি যারা পাউপুরকপা
ওইবিনিদা খোইনৌ ইতা।

যাইদিং কোনু ঃ হৈমা।
ওম্বোক ওম্বোকপা য়াবাবু
টাঙ্গোইনীবকইদা ইতা।

মযাম ঃ (চপমান্নন')
লোংচই।

(যাইদিং কোনুনা ওংলোমদা হায়াফেত্তুং লৈথ লকপদা ঃ করি ঃ মান্নদা লেপ্লম্বা শাম্বা নহাবু উরুবে। মিৎকা-মিৎকা মিংচান্নরে খা অনী শকখঙনবে; মাই লৈথোক্লবা ভমদা ঙাইহাক নুংনংনা লেপ

যাইদিং কোনু ঃ খোইনৌ ইতা চান্নবীখোয়
ইবুধৌগী লাইমাঙ অসি
ঐখোয়নবু থৎলমান্নে;
লম্বিসি খরা থাসিদো।

শাম্বা নহা ঃ (তপ্লপ্পা)
ইচল মতম ওইবীশিংগী
থৌনি পরম লোইবা ঙাইনা
তুংওইননা লেপচবনি
লম্বী থৎপনি লৌজদে।

[illegible] অমা : খোইনৌ ইতা চান্নবীখোয়
খরা খজিক হন্দোকসিবা।

(ময়াম হন্দোকনৈ, অদুগা শাম্বা নহাদা অমত্ত ওইনা যেংলকই)

অমাইবী : লৈবাংগীদি খোইমু মানি,
খোইমুগীদি লৈবাং মানি,
অপাম পামদা হায়বদুদি
পাযমা নুংগী ওইবা ৱানি
নংত্রনে-পাবী ইমোমখোয।

ময়াম : নোকই।

শাম্বা নহা : (ইকাইনা)
পলেম মতম মানবী ইমা
নপাবী ওইবা ঐঙোন্দা
লাইজ খিক্লেন অমুক্তদি
চাউবীবকউগবা পলেম।

(অমাইবীনা লাইজ খিক্লেন চাইথোকই, অদুগা শাম্বা নহা লমগানবনা পুরকপা উ থম্বালদু লৈহুন তগীরে. চোম্নাং শনিক খিত্তনা খোয়ম [illegible] শাম্ম [illegible]পিবে শাম্বা নহাসু থুকণ্ড [illegible] [illegible])

[illegible] কো[illegible] : পলেম ইমা অমাইবী ও।
ইপুবো লৈরাং লেমন ওই
শিঙেল উ-থম্বাল অমত্তা
নিজবা পিবীবোইদ্রকো।

অমাইবী : কবি পীদনি ইমোম ও।
ৱাংলেন ঙাইহাক্তা মঙাইখো
শিঙেল লৈবাং উথম্বালসি
ইমোম ওইবী নখোয়গীসু
কবি শরুক তমদনেগে

(শাম্বা নহাদা ওনশিন্নগা)

কবি হায়গে ইপাৰী ও।

শাম্বা নহা ঃ ইচল ওইবীশিংগী 'পাম্বা
শিঙেল লৈরাং নিজবদা
পলেম ওইবীনা পিবীবা
ইমা মাইবীগী মথৌনি;
নপারী ওইবা ঐহাক্তা
করি অমুক হায়রুগনি।

অমাইবী ঃ পারীগী য়াবা নীংথিবা
খোনফম অমেওবা তাবদা
পায়মা অসি নুংওল্লিদা;
ইমোম লাংলেন ওইবীশিংদি
করি ওইরিগবা খঙদ্রে-।

মতা অমা ঃ নমোম ওইবী ঐখোয়নদি
শিঙেল উ-থম্বালসিদবু
পামজদুনা নীজবনি
পায়মা নুংদদি করিসু
নীজদেয়ে পলেম মানবী।

অমাইবী ঃ থাখল কিশি থাংফদেয়ে,
মীনমহৈদবা লাইনিংথৌ
লাইবেম্বীগীদি খুভমনি,
কুবীহৈবা মপু মানি
লাইনীং পারৈ চেৎনা নিজৌ
পারী ইমোম নখোয় ময়াম।

ময়াম ঃ (চপ মান্নবা)
নোকমিন্নে।

অমাইবী ঃ পারী ইমোমখোয় নখোয়বু
শেলগী শেলমিৎ য়েংলরোইদ্রা ?

য়াইদিং কোনু ঃ পলেম ইমা অমাইবী ও,
নপারী নমোম ঐখোয়গী
শেলগী শেলমিৎ য়েংজগেনে

চেকশিন্না কোন্থা য়াইথানা
খুদম চাংদম য়েংবীয়ুনে।

[illegible] অমা ঃ পলেম ইমা অমাইবী ও,
নপারী নমোম ঐখোয়দি
লৈশা পাখঙ ঙাক্তনিনা
হংজনীংবা য়াবা পুম্বা
পলেম ইমা মাইবীনদুম
তেন্না খঙবীবম্লগনি।

অমাইবী ঃ [illegible]বি খঙদনি ইমোমখোয,
ইমাখোয়স্ নখোয়গুম্না
ফনেক খোইদোম শেংলক্লিনি,
শম্লাং কোইককনবদুনা
[illegible]শা কাংদোং তম্লক্লিনি।
পানী ইমোমখোয নখোযগী
[illegible]পাম্বা লমদাং খিবীকমক
ইমানা লোইনা খঙইদা।
ইমানা নখোযগীদমক
চীংঙু মাগী লাইপাউ চেনগে,
[illegible] লেন ঙাইহাক মঙাইযুকো।

(অমাইবীনা চামলৌ লাচেৎ অমদা সনা লুপা কোনযাই তোঙান তোঙান হাপ্লগা খুবাক মযাইদা থমদুনা লাইবোল শোল্লি।)

হৌ
কোগে ঙাঙোইবু লমহল্লো
লমলেনবু অনীদি থোকও
তুনেমদি অহুমবু থোকও,
লৈহৌরোন মঙামকপুসু
লৈমুবোন তরুকমকপুসু
অপোক চনু থোংঙাই য়াংঙাই
চীংঙু শিদবা ইবুংঙো
খোযুম শিদবী লাইবেম্বী

অনীমক্কী ভাংলৌখাদা
পুনেমজরীয়ে ননাইনা।
কোরৌ নোংলুপা 'ঙৌবনা
কোরৌ নোংলোন তরুকতুনা
নোংদাইজরেদো লাইনিংথৌ,
মালেম লৈম্না অঙাংবনা
লৈথল তরেৎ তুনবু
মালেম লৈগ লৈতাইজরে;
হৌরো ফরো হয়ি হয়া
হে হে খোয়ুম লাইনিংথৌ ও।
কোরৌ নোংমদোল থক্তগী
মালেম লৈদ খোঙ্গুন্নগে
পায়মা নুংদবু খন্দুনা
কেগে মোইরাং য়েলহৌঙেদা
লোইদাম শজিবু থাগীদি
কোরৌ নোংমাইজিং নুমিত্তা
পালবা কৈরেল অঙৌবগী
কৈয়াং থক্তবু তোংদুনা
কেগে মোইরাং খুনয়াই খায়না
খুম্মোরকপা লাইনিংথৌ ও
লৈবাংদি খয়োম লৈনৌবা
নোংচুপ তোনবানদি নিংথৌ ও
নচা ননাই ওইবশিংনা
সনা কোনয়াই হুঞ্জরিয়ে
লুপা কোনয়াই হুঞ্জরিয়ে
অফবা খুদম চাংদমবু
পীনবীয়ু ননাইশিংদা
হয়ি হয়ুম।

(চামলৌ লারীথক্তা খুৎনা উম্নদা সনা লুপা কোনয়াই নম্না লৈবদু উবদা অমাইবীনা হায়রকই) পারী ইমোমশিং নখোয়বু য়াম্না ফৈয়ে খুদম অসি নবুথৌ থাংজিং পুনেমজৌ ও।

য়ামা ঃ (চপ মান্নবা খুরুমই)
হে লৈরাং খয়োম লৈনৌবা
নোংচুপ তোনবানদি নিংথৌও,
ঙসি কৌবা নোংজাসিগী
থবী চেংজঙদবা বাংলেন
থাবা লান্নংদবা বাংলেন
য়াইফরবা পুংফম সিদা
থাংজিং নঙগী নশাইগোন্দা
নচা ননাই ওইবশিংনা
চীংঙু থৌগল লাকচববু
কুবীগুকো লাইনিংথৌ ও।

অমাইবী ঃ (উ-থম্বাল খরগা হৈ খরগা পায়বগা)
সে. সে,
ইমোম লাংলেনদি নখোযগী
শেঙ্গোই কোনপাকথক্তুদবু
শৈঙেল উথম্বাল খরগা
হেরাং খরগা হাপ্নীগে।

(হাপ্পা হাপ্পা মথা তারকই)
পায়মা পুক্লিংনা খোইদাবা
নোক্সা নোক্সা অপাম কাদা
নুরা পাখঙ বাইথুংজবা;
অদুগা,
কপ্পা পিরাং পিরোইননা
নায়না থাইনবা হায়বসি
তাইবং পরম লিক্লমনিদো
পাপী ইমোমখোয় খঙজিলহৌ।

লাম্বা নহা ঃ পলেম মতম মানবী ইমা
ইমাগী থাবা পাউতাকপু
তাবদা নপাবী ওইবদি
পায়মা নংদা তথক তথক

লুরেল কোকচাওবী কায়দকো।
ইচল মতম মাম্বীশিংদি
করি ওইরিগবা খণ্ডব্রে।

মতা অমা : শকখণ্ডদবা কেগে ইবুং
নুপানা লাইমা পাংমন্দে;
নচল ওইবী ঐখোযদিনে
নুজা পাঙ্গল ওইবনরা
করিসু থগৎপিদেয়ে।

ময়াম : (চপ মান্নবা)
নোকই।

শাম্বা নহা : কেগে ইচলখোয নাখোযবু
রাংলেন ভাইহাক লৈবাংহৌখো।
নবুংবু ওইবা ঐহাক্তি
খোঙকাপ নৌবৈবু থাংদুনা
খুদোল লোক্রৌবু হুনখ্রগে।
নোংমা য়াইফবা রাংলেন্দা
চীংঙগী লাইবুং অসিদা
পুন্না অমুক উনখিসি।

য়াইদিং কোনু : ভসি কোবৌ নোংজাসিদি
অহানবা উনবা ওইবনা
কোলোই মিংলেন পাউত্থহৌদে
বুংনা তাকপিনা কোবৌদা
কোলোই মিংলেন য়াবা কাঙনা
শকখণ্ড মাইখণ্ডনসি ইবুং
হান্না লাকপা কৌবনিনা
অমুক কোম্বজহৌখিগে।

ময়াম : (পুন্না)
নোকই।

লাইট ওফ

নিপালশুবা শরুক

মফমঃ কোংলেনহনবগী য়ুম

মতমঃ অয়ুক

(কোংলেনহনবা কংলা থৌগাবা চংলমদাইগী চাক ঈশিং চাবা থকপা [illegible] মাংলোল ফমেন্দা পানা চারগা হিদাক থক্নুনা ফম্লগা লৈ। মোইরাং [illegible] থাদাম চৌনদুনা লাকই, কেগে চনুরা ময়াম উবদা কোংলেনহনবনা [illegible])

[illegible] : ঐমোম কেগে চনুরাশিং
ঐপাগী নাক্তা লাকপবু
কার য়াবা চীঙ্গোয়নীংবা
অদুক থায়যুদো ইপাদা।

[illegible] : ([illegible])
পঙ্গৌ মানবা অঙস্ব ও।
নমোর্মশিংনা পুনেমজরি,
থাস কোরৌ নোংজাসিদা
নমোম ঐখোয়না লাকপদি
[illegible] কারিস্ নত্তেদো;
লোইদাম অরিবা তুংদা থং
থাজ অনৌবা মাঙদা থা
[illegible] অসিমগী
[illegible] ওইরক্লেদো।
[illegible] লাকয়োন তাইদুনা
[illegible] লেখোং থিংলেদো।
[illegible] ঐখোয়না

লৈবাক খুঙ্গাও লৈচাওনবা
লৈমা নিংথৌ পুন্সিনবা
মপু মাগী কাংশঙদুদা
লমথা কাংমি তমজদুনা
চেকফৈ পান্দম লৌজগেনে,
মোইবাং নিংথৌ খুযাখাদা
পম্থৌনা পাউদমবীযুদো।
লমদাং অসিগীদমকতা
মোইবাং চনুবা লুপতিন্না
খুযা খাদা পুনেমজবি।

কোংলেনহনবা : ইমোমখোয যাব্রা তাবদা
পাযমা পুক্রিং খোইজংনবু
তিল্লাং খোইদাবকইদকো।
ইমোমখোযনা ননীং তৌজৌ,
মপু সনা খুযা খাদা
যাব্রা পাউত্তাকপদি ফৈদো।
ইপা অদুক চৎলুখিগে
হযেং ইমু' তৈনা ঙাল্লা
ইপাই মোংবা ইবানযাইদা
তন্না খোঙদোই হুন্নকউকো
ইনিংথৌগী সনা যাথং
পাউদমগেনে ইমোমখোযদা।

চনুরা অমা : য়াম্না ফগনি পম্থৌ ও।

(মোমুতোম্বীগা য়াইদিং কোনুগা ইমুংদগী।

মোমুতোম্বী : ইমোমখোয় চনুবাশিংনা
অসুন্না হৌদোবকপসি
যাম্না ফবা লমদাংনি।
লৈবাক খুঙ্গাও লৈচাওনবা

চাকহোং ঙাহোংনা পাম্নবা
লৈবাক নিংথৌ পুন্সিনবা
চীংঙু খোয়ুম হাত্তুতগী
শাগোম্নরকপা লমদাংনি।

চনুরা অমা : ইতারোই য়াইদিং কোনুসু
মপু মাগী কাংশংদুদা
লমথা কাংমিবু তমদুনা
চেকফৈ পান্দমবু লৌবীবা
য়াওবীগদবনি ইতা।

য়াইদিং.কোনু : খোইনৌ ইতা চান্নবীখোয
নতাবোই ওইবী ঐহাক্তি
চহী কুমজা অমুক্তসু
লমথা কাংমি তমদুনা
চেকফৈ পান্দম যাওজরক্তি
হৈবু হৈদৌবা মান্দেদা।

চনুরা অমা : নতারোই ওইবী ঐখোয়সু
থোইনা হৈজবা নত্তেদা
কোরৌ নোংমা নিনিদংদি
ইতাখোয় ঐখোয় পুন্দুনা
তম্মিন্নবগা লোইবেদা।

মোম্নতোম্বী : হোয়দা, হোয়দা ইমোমশিংনা
অপাম্বদুদা তৌজৌদা;
মপু মোইরাং নিংথৌ মানা
য়াবিরকপদুম নখোয়না
লাইনিং পরেদুম চেৎচৌদো।

চনুরা অমা : ইতারোই য়াইদিং কোনুনা
খুম্বক পানা নিঙোলশিংগী
লুপকী লুচিংবী ওইবীরো

অদুগা;
খুনখা পানা নিঙোল লুপকী
লুচিংবীনা ইতারোইদি
ঙাম্বীতোন্না ওইরবনি।
দুদি পলেম লৈবীহৌরো,
খোইনৌ ইতা য়াইদিং কোনু
ঐখোয় অমুক চৎলুখিগে
হয়েং ইনুং ঙাল্লক্লগা
পচ্ছৌ নাক্তা খোঙদোইরকে।

মোম্বুতোম্বী : ফরে ফরে ইমোমখোয়সু
খোঙকাপ নাউরে হুনখরোকো।

য়াইদিংকোনু : যৌরোকো খোইনৌ ইতাখোয়
নতা ঐদি লৈহৌরগে।
হযেং ইনুং ঙাল্লক্লগা
তন্না অমুক খোঙদোইবকউ।

(মথংগী নুমিত্তা চনুরাশিং লাকই; কোংলেনহনবা গুমাংদা হনগৎ হন্দ চত্তুনা লৈ)

চনুরা অমা : (নোম্লুক্লা)
পচ্ছৌ মানবা অঙম্ব ও!
নমোমখোয় অমুক লাকচরে;
ইনিংথৌগী সনা য়াথং
করি পাউপুবীবক্লগে?

কোংলেনহনবা : কুমশি কুমজা ওইবসিদা
কেগে লৈমরোন তরেৎনা
মোইরাং চনুরা নিপালনা
লোইদাম মকুম ওইরকপদা
লৈবাক নিংথৌ য়াইফনবা
চাকহোং ঙাহোং পান্নবা

পুন্সি নুংশাং লৈননবা
লমথা কাংমি তমদুনবু
চেকখৈ পান্দম লৌজবদা
ইনিংথৌগী সনা য়াথং
হবাও হরাও যাবিবক্লে।
ইমোমশিং নখোয় ময়াম্না
কোবৌ খবা বাথলিঙৈদা
কাংগী কাংলম খঙদুনবু
কাংমি তমজননবা
অখঙ-অহৈ তাম্নদুনা
হিবমসিদা বাতাম্নবো।

[illegible] ময়াম : (খুরুমদুনা)
পাযমা খৈনা নুংঙাইজবে
পাম্বী যাথং হিক্লোকচবোই
মযোল অবান ঙাকপিযুকো।

[illegible]নবা : ইমোমশিংগী যাবা তাবা
পাযমা পুক্লিং খৈনা পেল্লে।
নপল পম্বৌ নিঙোম্লাকপা
লোইজ ঐনা লৈবিঙৈদা
ইমোমশিংগী পায়মা নুংদা
কবি অবা হুইশোল লাংনি
অদুগা লমদাং অমনা
ইমোম নখোয়সু তাহৌবো
মপু সনা যাথংনিদো,
কাং শাম্নবা হৌবমদাইদা
লৈমবোল চনুবা শিংগী
শমু নাঙ্গল থক্কুদবু
চবৈ নমথাং ময়েক থোকপা
মোইবাং ফিজ্জল ইম্নফিদি
অমমমতং কুম্লিদৌনি
হায়বদুনা ইনিংথৌনা

ইনিংথৌগী পুক্কৈদগী
পিরক্লেদো চরৈশিংদো।
মোইরাং চনুরাদি নিপাল
কেগে লৈমরোনদি তরেৎ
নুজা ওইবিশিং লুপাতিন্না
কাংগী কাংম্মি তেমশিংনবা
তম্বা নিপা য়াওফরোইদো
অসিমসু হায়রদুনা
অকা মচা তম্বা মরি
লৈকাই নিপাল খুনচেৎ মাপল
যাবা পাউ চেলহল্লু হায়না
ইনিংথৌনা পাউমেল্লকই।
লৈবাক কুম্মৈ নুংঙাইনবা
নিঙোলাশিংবু শান্নহল্লু
হৈবাং লৈবাং অথেনপোৎশিং
অঙম্বশিংদা লাঙহল্লু
মপু মানা চিঙ্গোইরকই।
ইমোম নখোয়সু চেকশিন্না
কাংগীদি কাংলম খঙনবু
শান্নগদবনি খঙঙো।

চনুবা ময়াম ঃ (চপ মান্ননা)
পন্থৌ য়াথং কাওজরোইদো
চেকশিন্না শান্নজগনি,
নমোম ওইবীদি ঐখোয়সু
খোঙদোইজখ্রগে পন্থৌ ও।

কোংলেনহনবা ঃ চৎলো চৎলো ইমোম লাংলেন
পন্থৌনা নখোয়গীদমক
য়াইফনবা শিন্নকনি।

লাইট ওফ

মাপলশুবা শরুক

মফমঃ নিংথৌগী কাংশঙ

মতমঃ অয়ুক ঢাকচা তোকপা মতুং

(কা মঙা লৈবা কাংশঙনি, কাংগী কাংলম তরেৎ কাংশঙগী ময়াইদ লৈ, মাইকৈ মরিদগী কোয়না য়েংবা য়াবা কাংশঙনি। হৈরাং লৈরা কয়া হাপ্পুনা পোৎলাম্লকপনা কাংশঙগী মচি অমদা থম্না লৈ। পোৎশি অদু অঙম অথৌগী, মীয়ামগী অমদি কাংবুরোইশিংগী হায়দুনা মথ মনাও নাইনা থম্লি। লৈবাক্কী অহল লমন, নুপা নুপি অমদি অঙাং খাক্কুন কাং য়েংনবগী তিল্লি। মখল মচু কয়াগী ফিজেৎনরবা সনাগী লৈতে কয়ানা ওক্তা, খুদাংদা, অমদি পাম্বোমদা লৈতেংনরবা চনুবাশিং খৃত্ত কাং পাযদুনা থুংলরি. কেগে ফমপুলোই শুনা তিল্লে, কোংলেনহনবন লাওথোকই)

কোংলেনহনবা ঃ খুম্ভকলোমগী কাংবুরোইশিং
মাঙশোক লোমদা ফম্লসিদো
খুনখা পানা কাংবুবোইনা
ফমেল্লোমদবু ফম্বীবো।
অদুগা লমদাং অমনা
লৈবাক্কী অঙম্বাশিংনা
মপু মাগী মনা ফিঙৌ
চরৈ নমখাং মোইরাং ফিজল
কাংবুরোই ইমোমশিংসিগী
শমু নমদা কুম্লিরসি।
খুম্বক পানা ইমোমশিংগী
ওইরোম থংবা শমু লেংদা

লৈমচুগী চরৈ ফিয়ান
অমমম ওইনা য়ানবীরো।
খুনখা পানা ইমোমশিংগী
ওইরোম থংবা শমু লেংদা
কাক্রে মচুগী চরৈ ফি
অমমম ওইনা য়ানবীরো।

(ফি যানবা, কুপ্পা লোইস্লে, মচু কয়াগী লৈপরেং কাংবুরোইশিংগী ডকশমদা হুকস্লে। পুম্বুমবা লৈহাও লৈরেন চনুবাশিংগী শমদা য়ানস্লে। তম্বা চা কযানা পানা খুতপ য়েল্লি। কোংলেনঃনবনা লৈমরোল কাং খুৎ অনীদা কাং হৌনবা লাওথোকই। শেনগী শেনমাই যেংনা অউপ্পী অবোংবী তৌনবদা ফমেল্লোমগী কাংবুনা হান্না হৌস্লে। কাংবুরোইশিংনা লমথা চেকথৈ কাংগী পোরম কায়দনা শান্নবকপনা মাংশোকলোম কাংবুনা চেকথৈ নাম্মা লৌখৎলগা অহানবা কাংগী কাংকাপ খুৎথাগদৌরে। শাম্বা নহা লমগানবসু মপাং অমত্তা যাওদনা কাং যেংবা লাকই; য়াইদিং কোনুবু উরুবদা খল্লকই)

শাম্বা নহা : নহান নোংদি লোইদাম থাবুম
খবগীদি মমাঙদুদা
ইবুধৌ থাংজিং লাইবুংদা
লৈবাং লৈহুন তমলিঙৈদা
পাখঙ ওইবা ঐহাকবু
চেংলৌ মিৎচান্নজখিবা
কেগে চনুরাদুনিনা।
চেংলৌ হেন্না নীংথিজবী
নুজা মাগী বাখলতনা
পাখঙ পায়মা নুংসিদবু
ফোঙঙমদ যাবা কয়ানা
খাম্বী মৈগুম মৈবায়বকপা
লোইদাম থাদি কুইরবনি।
কোরৌ বাংলেন অদুদবু
নুজা ওইবী মহাক্তবু

করম্নবু থেংনরুবা।
পায়মা নুংদা খোইদাজবা
নুংশি লংলা লংজিনসিদি
থোকউ ঙমদ খঙ্গবনা
শাম্বা ঐগী লাইবকসিদা
খোয়ুম মানা তম্নমবোইদো।

(মাঙশোকলোমগী কাংবুরোই পুম্নমক খুথারে; য়াইদিং কোনুতা মঙাইরে. মতা অমনা হায়রকই)

মতা অমা : থোইনৌ নঙবু পাঞ্জল লৌসি
শোয়বা য়াদেকো ইতারোই
পুক্রিং চঙনা কাম্নিয়ুদো।

য়াইদিং কোনু : খোইনৌ ইতারোই চান্নবী
শোয়দনবা ইতা নঙনা
পায়মানুংদা লাইনিং চেংনা
ইবুধৌ থাংজিং খুরুম্বীয়ু,
নতা কাংবু কাপচরগে।

(য়াইদিং কোনুনা কাং কাপকে হায়দুনা হৌগৎলক্রগা হায়ফেৎ মাঙলাংশোমদা নৈথোক্লুনা য়েংলুবদা শাম্বা নহাগা মিৎচাম্নরুরে; মিৎচিনা নৈদুনা য়েংলিঙৈদা মখুত্তাগী কাং তাখিবা খঙহৌদে।)

(মপণ্ড খল্লি)
ওখাচা ওইবা অসিবু
কেগে কনাগী মচানো
মোইবাং কনাই মপারীনো।
থোইদাম খরাগী মমাংদা
ইবুধৌ থাংজিং লাইমাংদা
খাপণা ওইবী ঐহাক্না
মিংয়েং শানখৈনদুনবু
চেংলৌ মিৎথিংনখিবদি

তম্মাচা ওইবা অদুনি।
ঙসি মপুই কাংশঙসিদা
পাখঙ মাগা মিৎচান্নবা
পায়মা নুংসে নুংওনখ্রেদা।

মতা অমা : চেকফৈ পান্দমবু তানগনি
হৌগৎখ্রগা ইতা [illegible]
ইতাইশমু খুত্তুদগী
কাংবু থাদবকবদি
তম্বা ওইবা কনাদ[illegible]
মিৎয়েং শানখিবা [illegible]

ইদিং কোনু : হেমা।
ঈকাইজবেদ [illegible]
নতাবোই ওইবী [illegible]
তিল্লিবা ম যাম [illegible]
কয়াম য়াম্বা [illegible]
লৈনা [illegible]
কাং তাগব [illegible]

[illegible] কাং অদু খুনগৎলগা চেকৈ [illegible] পাঙ্গেবদা মযাম করাওনা নোকই।

[illegible] : হৌনা
কাংবুবোই হমোম পুন্নমক
পুক্লিং চঙনবু তাবো[illegible]
হৌজিক্তি,
কাংবুরোইশিং পান্নাম্নবা
বাংলেন অদু যৌবক্রেদো
অদুনা,
খুম্বক পানা খুনখা পানা
কাংবুবোইশিং পুন্নমক্কী
কাংগী পলবু ওন্নদুনা

মাগী মাগী ফমফম্লাংদা
কাংবুরোইশিং ফম্নরসি।

(পোৎলালকপা হৈ-নৈশিংদু তম্ব চা কয়ানা কাংবুরোইশিং অমদি অণ্ডম অথৌ শুনা য়েল্লি। ভইহাক চা-থকুনা পোথানরিঙেদা য়াইদিং কোনুগা মতা অমাগা হংচিক লাউসি হাযদুনা মপাল থোরকই। যাইদিং কোনুস্ শাম্বা নহাবু উই; শাম্বা নহানসু য়াইদিং কোনুব্ উই; উনা উনা উশিম্নদ শাদুনা লৈ)

মন্ত্রী অমা : (লেপ্তুনা)
গেংউনে ইতাবাই যাইদি
[illegible]াইদাম খবগী মমাংদা
ইবুধো থাংজিং লাইবুংদা
শিংজেল [illegible] থম্বাল পুদুনা
খাঙদাইনকপা হৈরুংদুব
ওংখাক্লা মানগ্রেদা হং
নহুননে আসব

[illegible] : [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] : [illegible]
[illegible] মাচি নবু [illegible]
[illegible] মতমব মাম্বীখোয়
চল ওইবী নুজাশংগী
কাংগী খুৎকাপ শোযখিদরা
পুক্লিং অসি বাক্তবনা
ইমা পাম্বোইবী পুনেমজ
যেংজরম্লিবা নবুংনি।

[illegible] : (নোক্তুনা)
কেগে ইবুং শকখঙদবা

নচল ওইবীশিংগীদমক
থানা লাইনিং চেৎপিবগী
করিনা লমন শিংগনি
পান্না তপতাই অসিমত্তা
লাঞ্জরমগেনে ইবুংদা।

(অনীমক মোমোন নোকমিন্নৈ)

শাম্বা নহা : (পান্না লৌদুনা)
কাং কাপ্পা লোইদ্রিফাওবদি
নবুং ওইবদি ঐহাকসু
পায়মা নুংদা খোয়ুম মাবু
চেৎনা থাগোন্নজগেকো,
ইচলখোয় পাঞ্জল থোইবাযু।

যাইদিং কোনু : নচলবু ওইবী ঐখোযদি
হৈথোই শিংথোইবা নৎচদে
ইবুংবু ওইবা নহাক্না
লাইনিং পবৈ চেৎপিবনা
থোইগদৌবদা মঙ্গায়দা।

(থারী শান্নরিঙৈদা কোংলেনহনবনা কাং হৌনবা লাউথোকই। ফমেললোমগী কাংবুনা লমথা তানবা কাংফমনি। পাঞ্জল মথং মথং হাপকৎতুনা গুগুম্রে। মাঙশোকলোমগী কাংবুরোইনা কাপ্পা খুৎকা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা ও অমুক হাপকৎম্রে, কোংলেনহনবনা লাউথোকই)

কোংলেনহনবা : শজিবু থাগী অহানবা,
গুসি কৌবা নোংজাসিগী
য়াইফর কোরৌ অসিদা
কেগে চনুরা লপতিম্না
খুম্বক পানা খুনথা পানা
পানা অনী খায়দোক্লনা

[illegible]'ও তয়াম্বা অসিদা
[illegible] পানা কাংবুরোইনা
[illegible] অহম থোইনা লৈরি
[illegible]ম 'পুম্বনা উবিরি।
[illegible],
[illegible]ইনরাই মালেম অঙানবা
[illegible] লৈশা তমখরেদো
[illegible]বা কাংখিল উরক্তে;
[illegible]পুই য়ারেপ তুংইন্নবা
[illegible] কাম্না খখানরো
[illegible] পাউতাকপিববেদো।
[illegible] ইমোম কাংবুরোইশিং
[illegible] কাম্না খুথানরসে।

([illegible]ক্রোশিংসু খুথানরে, মীয়াম পুম্নমকসু ময়ুম ময়ুমদা হম্নখিরম্মী)

লাইট ওফ

তরাগুবা শরুক

মফমঃ পাংথোয়াগী লম্বী

মতমঃ নুমিদাংবাইরম

(শাম্বা নহা লমগানবনা হংচিক লাংউগে হায়দুনা পাংপান্দা চৎলি। য়াইদিং কোনুসু ঈশিং শোকউগে হায়দুনা পুন অমা পায়বগা থোরকই। লম্বীদা অনীমক থেংনৈ, খোঙ থাংসি থাংঙমদা থাংগুমসি কদাই চৎনা লেপ্পা মিৎচিনা য়েংনৈ, চিনবান্দা মোমোন নোকনৈ) য়াইদিং কোনুনা হায়রকই—

য়াইদিং কোনু ঃ (নুংশিনা)

কেগেগী পাখঙ ইবুং ও,
নুংশিগী লমদম কৈদবু
যাংদৌ খোঙদোইবীরুবনো?
কোবৌ মশিং অসুক কুইনা
পাখঙ চেংলৌ উদববু
লমদম কৈদা লোৎপিকগে?
খঙজনীংনা পাউহংজবা
নিঙোল পৃক্লিংবু যাংমল্লি
খনবীবমগনি খনবদা
নুবাগী পায়মা নুংদবু
ইকাই নুংশি য়াম্নজেদা।

শাম্বা নহা ঃ লৈবাং মতম মাম্বী ইচল
লাইব মচা পাখঙ ঐদি
পোইবৈ তাম্না মীখুল লাম্না
শিল্লংবা খোঙদোইরুবনা

নুরা ইনেম মচা নঙগা
চেংলৌ শকউনদুনবু
য়াবা পাউমেন্নববুদি
ঙমখিদরে বারৌগনু।
ঙসি কোরৌ নোংজাসিগী
যাইফরবা ঝাংলেনসিদা
নুজা ওইবী ইচল নঙগা
চেংলৌ শকউনজনসি
পাখঙ ওইবা ঐহাক্কিদি
ওল্লোক্লা লাইবক ফঙ্গ্রেদা।
অদুনা,
পাখঙ ঐগী পাযমানুংগী
য়াবা লমদাং অমত্তংবু
নুজা ওইবী নকাদুদা
য়াবা পাউদমজনীংববু
লৎনবীগদ্র খঞ্জনা
পায়মা নুংদবু বাজেদো।

য়াইদিং কোনু : (নোকফেৎ তৌনা)
পাখঙ ওইবদি নহাক্কী
পায়মা নুংগীদি য়াবাবু
য়াবা অমত্তা নৎক্রসু
তরেৎ তরা থোক্লবুদি
নুজা ইফমদা তম্বীয়ু
নিঙোল পুক্লিংসে পেঞ্জগে
মাঞ্জ নঙবু পাম্মুব ও।

শাম্বা নহা : পাম্বৌগী ইখোল চাউগোম্মুং
তন্না চাওখোইদি হেন্নদা
লৈরাং লৈশাং তন্নিবী ও,
শিঙেল লৈচু শকহেন্নবী

ইনুং ঙাল্লমদাই শজিকুম
চিক্লা ঈংনা মঙান নাইবী
লৈরাংলেনদি লৈনুংশি ও,
তমগী খোইমু লৈপাম্বনা
মিংযেং শানখৈফম ওইরিবী
তোযনবু উবা ফংদবী
নুংশি লৈবাংলেন নহাকপু
ঙসি কৌবা নোংজাসিদা
নৌহৌনা উবা ফংজবে
পাখঙ পুক্লিং পেঞ্জবে।
নুজা ওইবাদি নহাকপু
নিংথৌ মনাইদি অঙম্বা
নুবাবু পোকপা পন্থৌনা
খবায খওবু লৈহাপ্না
লৈরোং লাইদা কংপগুম্না
লাইবক ফবা কনাদবু
থাজ যোঞ্জখববগে
খঙজনীংই পাখঙ ঐনা।

য়াইদিং কোন্ ঃ তাইবং কনাই থৌশিল যাওদ
মালং যৌবোই তুংইন্ননা
ওল্লা পামেল উকাইথক্তা
শিঙেল লৈশাৎ তমজগে খন
পোমশাৎনজবীবী ঐনি।
নুপীজা ওইবী ঐহাক্তি
নয়া শকথোংনজবিদো
লম্লানবা কনাই মকাদা
য়ুমজিন কাকৈ থাজদবি
শুম্মাং উরোং খিঞ্জদরি।

শাম্বা নহা ঃ লৈরাংগা পাম্বক্লরিবী
কেগে ইচল ওইবী নঙবু
শিঙেল লৈপাল ফুকচবগা

পাখঙ ইরান য়াইদুদবু
লৈরাং লৈশাৎ তমহন্নীংবা
খল্লুবা ঐনা লাল্লাদ্রা?

[illegible] কোনু : হাযনা শিঙনা বাকোঙনবা
তাইবং পরম লিক্রমনিনা
লাল্লি কবম হায়বসিগে।

[illegible] নহা : নোংমদোল থাজ মহাকপু
মালেম লৈমাযদা লেপ্লগা
ঐগীনি হাযনা খঞ্জবা
তাইবং লমফৈ লাক্লিংঙাইবু
ওইবোইদ্রনে ইনেমমচা,
পাখঙ থম্মোযসে বাঁজেদা।
নোংদম্বনা অমা তম্বা
তাইবং মীনা অমা খনবা
তাইবং পবম লিক্রমনিদো
নুবা ওইবী ইনেমমচা
নুবাগী নুংশি চেংলৌদো
উদবা লোইদাম কুইবসু
পাখঙ ঐগী পায়মানুংদা
বাংলেন মিকুপ অমত্তসু
অকাও পবৈনজদেদো,
অমম অঙান নোংখাইবিবা
চীংঙু মানা খঙলিগনি।

[illegible] কোনু : নিঙোল মপোক ওইবী ঐসু
কেগে পাখঙ ওইবা নঙগা
নুংশি মিৎয়েং শনখৈনবা
বাংলেন অদুমক্তদগী
পাখঙ ওইবা নগুংলোংগী
অপাম নুংশি বাখলতনা

কোরৌ নুমিৎ খুদিংমক্কী
তুম্বা চাবা অনীমক্তা
পায়মা নুংদা পোথানরি।

শাম্বা নহা : নুজা ওইবীদি নহাকপু
থাদোক্কে খনবা ঋাংলেন্দা
মনুং মতমবু চাদনা
পাখঙ পুক্নি লমদাং অসে
খম্বুং শাবা তান্দুনবু
অমন থরৈ কুমজখিগে
খোয়ুম মানা পল্লেপসনু।

থোইবি কোনু : নুপীজা ওইবী ঐহাকসু
পাখঙ য়ারা তুংইম্না
নিঙোল শমাই লৈজববোই
অমম অঙান ঋাচুমগুবা
চীংগু মানা খঙলসনু।

শাম্বা নহা : নুবাই পাযমা পিবুক্কুংদা
অদুম্না পল্লেপ্লীবদি
পাখঙ পুক্কিং পেঙ্গরেদো।
ঙসি কোরৌ নোংজাসিদি
ইনুং য়াচঙবা ওইরক্লে
মালেম ঙানবা তাওদনবসু
মোংবা মরান বাইথুংখরে
নুরা ইনেমমচা নঙসু
লাইজ ঈশিংবু শোক্লগা
নয়ুম মোংবা নরানয়াইদা
তম্না খোঙদোই হনখবোকো।
পাখঙ ওইবদি ঐহাকসু
মোংবা ইরান তমখরগে।
নোংমা কোরৌ অমগীদি

য়াইফর বাংলেন অমদা
চনুরা ওইবী নহাক্তা
বাংলেন পুংফম থানদুনা
নুরা পাখঙ অনীমক্কী
নুংশি পুম্বুং য়ৌননবা
পুন্সি খয়োম য়োম্ননবা
কোরৌ নুমিৎ পল্লেপ্পসি
পাখঙ য়াবা কাঙজববু
নুজা ওইবি থম্মোযদুনা
কবি খল্লিবা খঙদ্রেদা।

যাইদিংকোনু : (ইকাইনা)
পাখঙ ওইবদি নহাক্লা
থাবিবা কোরৌ নুমিত্তা
নুজা ওইবী ঐহাক্সু
হোয়যাজবে কেগে ইবুং।
ঙসি কৌবা কোবৌগীদি
নুজা খোঙদোইজখবগে।
হযেংগী কোরৌ নুমিত্তা
পম্বৌগী খাল্লে লৌবুক্তা
যাবা উচেক্তি ঙাকপবু
খোঙদোইজগে খঞ্জবিদো;
নুজা ওইবিদি ঐহাক্লা
য়াবা উচেক ঙাকচবদা
পাখঙ নঙনা তেংবাংবীয়ু
হায়জনীংবনি ইবুং ও।

শাম্বা নহা : (নোক্লগা)
অদুই য়াবাবু ওইরদি
কোরৌ শিংবুম খুদিংমক্তা
থবিবুদি নোংলেপ্তনা

নুজা ওইবী নহাক্তগী
থৌবে তেংবাংজগে খম্না
ঙাইজরিবা পাখঙ ঐনি।
অদুনা,
হয়েং কৌবা কোরৌদুদা
পাখঙ খোঙদোইজবক্রগে
ঙসি নোংজা অসিগীদি
পাখঙ খোঙদোই হুঞ্জখ্রগে।

লাইট ওফ

তরামাথোইশুবা শরুক

মফমঃ কোংলেনহনবগী য়ুম

মফমঃ অয়ুক

(কোংলেনহনবা মাঙোলদা হিদাক থক্কুনা ফম্রি, মোম্নুতোম্বীনা মনাক্তা ফমদুনা লৈ; কোংলেনহনবনা হিদাক থক্লা থক্লা বা হৌদোকই)

কোংলেনহনবা ঃ মমা নঙসু মুন্না তাওদো
হৌজিক্তি,
নমোম ওইবী মহাক অসে
লৈশা মপুং ফারক্রেদো
পলেম পম্বৌ ঐখোয়নীনা
ইমোম ওইবী মহাক্তবু
অশোয় অঙাম য়াওদনবা
শেন্নগদবনি মমা।

মোম্নুতোম্বী ঃ (থল্লগা)
ইশাবী ওইবী নহাক্না
তাকপিবা য়াবা মক্তবু
অচুম্বা য়াবা ঙাক্তনি।
মথক্তা মচেম শাক্তবী
মখাদা মনাউ ফুইদবী
ইমোমদি মথক্তনিদো।
অদুনা,
ইমোম মানা ফখিবদো
পলেম পম্বৌ ঐখোয়গীসু
লাইবক ফবা ওইদৌরিনি।

কোংলেনহনবা : পলেম পল্লৌ ঐখোযনদি
ইমোম ওইবী মহাক্তবু
নাবা পিশকুম উবিদো,
অদুবু,
অতোম্বা মীবান মিংযেংদা
চাওবা শাবেপ ফাববগুম
থাজ য়োঞ্জ মতম ওইবে
মমৌ ওইজবগে পিবো
হাযবা তম্বাচা মশিংস্
কেগে মোইবাং সৈবাকসিদা
বাংপা কৌবদি লৈতেদো।

মোম্বুতোম্বী : খুনখা ইতা লৈশংশোম্বা
খুন্নৌ ইতা লেন্নু খোযনা
মখোযগী মমৌ ওইজাগে
ইমোম মানু পাবা হাযনা।
কৈথেল অবা অকুম খুদিং
য়াবীনবিদো ইশানী।

কোংলেনহনবা : ইশানৌ নঙনা হার্যবিরা
যাবা লমদা, অদুমক্কি
য়াম্না ফবা বাফমনিদো।
অদুনু
মমা ওইবী নহাক্কস্
মসিনা ফগনি খনবা
নমোম ওইবী মাগীদমক
মতিক চাবা নয়া অমা
অদুক হেক মযেংশল্লুদো।
নশানৌদি ঐঙোন্দস্
ইতাও কৈরুংহনবা মানা
মপাবী মদোম পোকচবা

চীংশোম্বা মাগীদমকতা
মমৌ ওইজরগে হায়বা
কুমজা মশিং কুইরবনি।
পম্ভৌ ওইবা ঐহাক্নদি
ইমোমবু ওইবী মহাকপু
অঙাং নাবাদি ওইরিদো
পলেম পাম্ভৌগী নাকসিদা
লৈজখিসনু হায়দুনা
য়াবা চীঙ্গোয়নবীবনি।

মোম্নুতোম্বী : (নোক্নুনা)
কেগে লৈবাকপু চাওইদো
মোইবাং লৈবাকপু পাকইদে।
তবেৎ তবা থোক্না খন
ইমোম ওইবী মাগীদমক
অফবা ইয়া থিদৌনি।

কোংলেনহনবা : মমাবু ওইবী মহাক্না
চেকশিনগদৌবা লমদাংদি
ইমোম ওইবী মহাক্নীসু
কাংব য়াখল লৈবগেদো
খঙদোকপদি মফবনি।
কবিগুম্বা ইমোম মাগা
শকখঙনজবা তম্বাচা
লৈবম্বগা থোক্লবসু
পম্ভৌ কনাগী মচানো
পলেম কনাই মপাবীনো,
লমলেন্দি কৈদা লৈবনো
মিংলেন্না কবি কৌবগে
খঙদোকপদি য়াম্না ফৈনা।
ইমোম মাগা খঙনজবা
তম্বাচা ওইবা মহাক্না

পলেম পঙ্খৌ মশক খণ্ডবা
ওইরম্মবসু কায়দেদো।
মরম লমদাং পুন্নমকসি
খণ্ডদোক খিদোকপা হাযবসি
মমা ওইবী নখোয়গীদি
শোয়ফম্রবা থৌদাংনিদো।

মেম্মুতোম্বী : ইশাবী ওইবা নহাক্কা
তাকপিবা যাবা অপুম্বা
ইমোম মাগী য়াইফনবা
য়াবা লমদাং খিবির্কনিদো,
নশানৌ থৌবাংজবগে।

(য়াইদিং কোনুনা ইকজবা লোইবগা ফিশেং শেত্নুনা মাঙোলদা থোরকই)

য়াইদিং কোনু : পলেম ওইবিদি অপোকপী
ঙসি কোবৌ নোংজা সিদ
নমোম্বু ওইবী ঐহাক্কা
তরা চাক্লেন থোংলুবগে
শংলৌ মথেল লুক্কোইবুদি
করি মথেলবু লাংগনি
যাবা চিঙ্গোযবীয় পলেম।

মোম্মুতোম্বী : লাইজ ঈফুনুংগী লেম্নে
ঙাতুম চাওনা শেমদুনবু
তোইহন্দ থোংউকো ইমোম।

কোংলেনহনবা : পলেম পঙ্খৌ ঐখোয়নদি
ইমোম ওইবী নঙবু উদে
লমদম কৈদা চংপ্রবনো
হংনরমল্লিবনি ইমোম।
অদুগা ইমোম নহাক্তি

তরা লুকোয় ফুহৌনবা
ইরু শান্দেংলুরিবোইদো।
ইমোম্না, খোইদাবা মথেল
বালহৌশঙদা লৈরিবদু
খন্দুনা মথেল লাংজরু।

(যাইদিং কোনুনা মমাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা তপ্পা হায়রকই)

[illegible] কোনু ঃ পলেম ঙসিদি নমোম্না
কবিগুম্বা য়াবা মত্তা
চীঙ্গোয়জগে হায়জবদু
পালেম নঙনা য়াদ্রীযুনে।

[illegible] ঃ কবি য়ারোননে ইমোম
ইমোম্না হায়বা খুদিংমখল
পালেম নমা ওইদ্রী ত্রৈনা
যাদুনঙা লাক্রিবনি
কবি চীঙ্গোয়নীংবনোনে
হাসি অদুক মহায়বোদো।

[illegible] কোনু ঃ অতৈ য়াবাবু নত্তেদো
ঙসি কোবৌ নোংজাসিদং
পম্বীগী খাক্লে লৌবুক্তা
যাবেদি উচেক ঙাকপবু
[illegible] চদোইজব গেনে পলেম।

[illegible]তোম্বী ঃ নত্তে, নত্তে ইমোম নঙবু
শাব কোরৌ মৈশা লক্তা
ইমোম ওইবী নদোম তবক
য়াবা উচেক ঙাকপদুদা
অবা হইশেন লাংগনিদো।
কোরৌ মৈশনা য়ৈবদা
ইমোম ওইবীদি নহাক্কী

কুচু কুমেন মাঙগনিদো,
খোঙদোইখিগনুদা ইমোম।

য়াইদিং কোনু ঃ ঙসি কোবৌসিমতংদি
নমোম চৎচকগে পলেম
খোইনৌ ইতাবোই ময়ামসু
খাঙ্গ্লে লৌবুক কুমদুনবু
যাবা উচেক ঙাক্কনি হায,
যাওজকগেনে নমোমসু।

মোম্বুতোম্বী ঃ ইমোম্মা চৎকে হাযবসু
নোংমা কোবৌ অমদা
পলেম নমা ওইবী ঐগা
মচংসিদো ইমোম নঙবু।
ইমোম্মা থাক্লে লৌবুক্তা।
উচেক ঙাকপা চৎখিবদা
হয়ুম মোংবা ইনানযাইদা।
পলেম লেহৌবা ঙমলাইদে।
খাঙ্গ্লে লৌবুক হাযবসিদি
খোযমদি নাবোম্নুংনিদো
মহ পানবগী লৈফম্নি
ইমোম নঙবু চৎখিগনু।

কোলেনহনবা ঃ (মবক থৎনা)
কবিনো নমা নচানা
হাযনবিবা যাবাদুবো?

মোম্বুতোম্বী ঃ হো নমোম ওইবী মহাকসে
খাঙ্গ্লে লৌবুক্তা কুমদুনা
যাবা উচেক ঙাকপা চৎকে
খোঙদোইরুগে হায়র্রিবা
অদুদা মমা ঐনদি
অরা-হুইশোনবু লাংগনি
চৎখিগনু খাম্নমলিবা।


[illegible]লেনহনবা ঃ ইপাই ইমোম চ[illegible] ।
পলেম নমানা [illegible] ॥
যাৱাসি অচুম্বনিদা
অতাম্বা খাল্লে [illegible] ।
ইমোম নঙবু [illegible] ।
নদোম তবব [illegible] ॥
কোবৌ [illegible] ।
মা[illegible]ম অঙা[illegible] ॥
[illegible] মশা [illegible]
[illegible]
[illegible] ।
[illegible] ॥

[illegible]দিং [illegible]কানু ঃ [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥
[illegible]
[illegible] উচে[illegible] ॥
চৎচক[illegible] ॥
[illegible]খাইনৌ ইতাবো[illegible] ॥
যাবা ডচেকপু [illegible] ।
চিঙ্গোয পাউ[illegible] ।
পলেম পম্বৌ যাথ [illegible] ॥
নমোম্না হোয যাথে। ।
ঙাকপিয়ুকো নমোম [illegible] ।

[illegible]লেনহনবা ঃ (তপথবদুনা)
ফবে, ফবে অদু ঙাই[illegible] ।
খাম্বদা ইমোম মহা[illegible] ।
য়াবা কৌবা লৈত্রব[illegible]।
ঙসি কোবৌ নোংভা[illegible]

খোঙদোইজরসনু মমা।
অদুদি,
ইপাই ইমোম লাংলেন নণ্ডবু
পলেম নমাগা তাম্লনা
তবা চাক্রেন থোংজকরো,
তবা চাবগা চৎলুকো
লাম্লক্লবা বাংলেন্দুদা
তবা চাবা বাম্লনলা
তবা চযোমস্নু পুখোকো
য়োইমাযাই তাওদননা মানা
অমম লৈশা তমদ্রিবৈদ্রেদা
মোংবা টবানযাই তম্লনু
তন্না খোঙদোই শক্লক তংনা
পম্ভৌ নপা ওইবা নীং
নপা কৈকংহনবা মাংনা
যারা পাউতানকলানা
খুনখাবোমদা খোঙদাই কগে

যাইদিংকোনু ঃ (হবাওনা)
পম্ভৌ অপোকপা
(কোংগেনহনবা চৎখি মমা মাসু ইমুং চঙখি)



লাইট ওফ